চীং অমস্তুং তমগী মরী




THE MANIPUR CULTURAL INTEGRATION CONFERENCE

চীং অমস্নুং তমগী মরী



THE MANIPUR CULTURAL INTEGRATION CONFERENCE

Published by :—
The Manipur Cultural
Integration Conference.



অহানবা থুংনম ১৯৭৬ ইং
কাপি—১,০০০

মমল—রুপা ২'৫০

নম্ফম :—
ওরিয়েণ্টেল প্রিণটিং হোম
রাইফল পুলিশ লেন, ইম্ফাল

ৱাহৌদোক

'চৌং-ভম্ন লুপতিন' না শিজমুনা মিতিন কয়া তৌখি। মদুদা মতিক চাব়বা অথং-অশিং কয়ানা 'লুপতিন'গী পম্মংকম, অদুগা মদু য়াওনবগী মরমদা নৈনা চে কয়া পাবিখি। পাখিবা চে অদু 'লুপতিন'গী Editorial Board না লাইরিক ওইবা মওংদা পুথোক্লুনা ময়ামগী মাংদা থমজরি। চে পাবা লোইরগা নৈনখিবা ময়াম অদুদি ফংলিবা অসিদা হাপতে। মদু মতিকচাবা খুনাইবা ওম্বা মীওই য়াওদবননি।

ইতিহাস লেংবা কয়ানা উৎলি :—ভারতকী নোংপোক থংবা চিদাই অসিগী চিংসাং অদুগা লোকচপ-তুরেম্না মীওই কয়াগী চৎথোক-চৎসিন ইতিহাস ইবা কৌগ্রিভৈদগী চৎনরকই। নোং-পোক-নোংচুপ, খা-অৱাং অদুগী ওম্নবা মাইকৈদগী থাপল-থাপলবা মীওই কাংলুপ কয়ানা লম্বী ওইনা শিজন্নখিবদগী কাংলুপ কয়াগী লোনচৎ অদুনা থাজবগী মচুনা শংলবা Culture কয়া থিবদা ফংই। কাংলুপনা য়াম্বনিনা Culture সু য়ামই। Culture গা লোয়ন্নবা লোনগা মরি নকনৈ অদুনা পিকশ্রবা মণিপুর অসিদা লোয়ন্নবা লোন অসি মশিং ২৯ নি। অদুনা Culture সু অদুম্মুক য়ামই হায়বদা থোইনা লাম্না থোকলোই। লুপতিনগী লেংদবা থাজবদি Culture ময়াম অসি থিজন্লুর-বদি ইহৌ মান্নবা ইচেন অমা কুবাংবানগী মথাদা চেল্লি। খেননববুদি মান্নবনা হেললি। মাগী মাগী Culture অদু

থমমলগা মচু মচুগী লৈনা শান্তুনা মিৎকী পেনবা, পুক্নিংগী পোথাবা চাওখৎপা। য়াথলগী হৌফম ওইবা নত্তনা অতৈ ওইবা য়ারোই।

চে ময়াম অসিদা হায়রিবা 'লুপতিন'গী য়াফম অসি শোকনা লৈনরনি। অতোপ্পা নোংচুপকী সরকারনা অদুগা Private Organisation কয়ানা য়াফম অসি লৈনবা শেন কয়া তিংদুনা মপান্দগী অখং-অসিং কয়া বার্তন তৌদুনা নিনি-চুমনি চংদুনা তৌনৈ। 'লুপতিন' অসিনা মণিপুর হায়না খংনবা সিমানা অসিগী মনুংদগী লাম্লোকপগী হৌজিক কাওবা য়াথল লৈতবনিনা অদুগা শেনথুম লৈজদবনা মপান্দগী মীওইদা শিজবা মিতিন্দা লেংঙকনবা য়াওবিনবা তৌজরি।

জীব ময়ানগী মরক্তা মীওই নত্তনা খংজিনবা য়াফম, অদুগা মতম মতমগী থল্লিবা য়াফম অসি লৈনবা অদু থম্নবগী শক্তি লৈতে। লাইরিক মচা অসিনা অদুগুম্বা হিরম অসিগী ময়াম মমাংদা পুকনিং চিংশিন্নবা পাম্বৈ ওইগনি খন্দুনা ফোংবনি। 'লুপ-তিন'গী য়াথন্দা মীওই অসি থিংশিল্লুরবদি খেননবা লৈতে হায়বা অসি থুনা শন্দোকপদা নত্তনা ময়াম্না খংবা অসি urgency লৈরবনি। খেননবা, তোপনা তানবা লম্বি অসি মাংহনবনা nuclear age দা মীওইগী চাওরবা থৌদাংনি।

এম, কে, প্রিয়ব্রত সিংহ
প্রেসিডেন্ট

চীং অমস্তুং তমগী মরী

(১)

"চীংতম অমতনি"

শওং শাবান্না অমস্তুং কুচু কুমেন্না মনিপুরিশিংগী হৌরকফম তিন্নবগী মওং শাকই। মশিনা ঐখোইগী নাওশুম অমস্তুং ঈগী তংন থানব য়াদ্রবা মরিবু নিংশিংনহল্লি। মসিনা ঐখোইগী মাইওন অমসু মীৎয়েং মান্নহল্লি। মরি অসিনা মণিপুরি সংস্কৃতিগী যা লেন শক্ত ওঃখি। ঐখোয় অসি কাংলুপ অমতগী মীওইনি হায়বা প্রমানশু ঐখোইগী শকচু অমস্তুং ঐখোইগী নাওশুম অমস্তুং ঈগী অপুম্বা নিচিং অসিনা পিরি। ঐখোইগী থাইমগী অহল লমনশিংবু মপানগী অহৈ অশিং অয়াম্বনা মঙ্গোলিয়ান কাংলুপকী মীওইনি হাই। মখোইবু কিবাত কাংলুপকী মীওই ওইনা মপানগী অখং অহৈশিংন শিংথাই। ঐখোইগী থাইনগী অহল লমনগী মরি মখোং লৈশি লৈথোনবদা মপানগী পণ্ডিতশিংনা তোঙান তোঙাম্বা রাবোল কয়ামুক হায়রগশু, ঐখোইগী মাইমিৎ অমস্তুং কুচু কুমেন্না ঐখোইগী হৌরকফম তিন্নবগী মওং, ঐখোইগী নাওশু অমস্তুং ঈগী তংন থান্নবা য়াদ্রবা মরি অসি ময়েক লানা তাকচবা ঙম্মী।

চীংনা ঐখোইগী থাইনগী অহলশিংনা ইহান হাম্বা শা - দাংক্ষম ওইখি। চীংলোন মাপন অসিন ঐখোইগী য়াকাবুং অমস্তুং খোংদাক্ষম ওইরম্মী। অস্তুম্না এলহৌগী চীংগী লমদমম্তনা মণিপুরী সংস্কৃতিবু মখোং শেমলম্মী। ঐখোইগী সংস্কৃতিগী লুতাং ওইখি। চিংদা শাইদাংবা মতম অসি ঐখোইগী সংস্কৃতিগী অহাম্বা য়াওন্নি। মতম অসিদগী ঐখোইগী থায়নগী অহল লমনগী মীৎ- য়েং অমস্তুং য়াখল্দা তম্পাক্কী লমদমগী মমি তারমদে। মশম অদুদদি হৌজিক্কী তম্পাক্কী লমদম অসি ঈশিংগী ইপাক ওইরম্মী। য়াক্ষম অসিগী প্রমানশু ঐখোইগী থাইনগী অহল লমনশিংগী অং' মুংঙাই রারী কয়ানা ময়েক লানা পীরী।

চীংনা নাওকোল্লগা মণিপুরী সংস্কৃতি অসি মমৈথংদা ইরোং অনি ফাংলকই, সংস্কৃতি অসিগী চীংগী ওইবা মখন মথেন তমগী ওইবা শাথেকশু হাপচিল্লকই। মতাং অসি ঐখোইগী সংস্কৃতিগী অনিশুবা য়াওন্নি। ঈশিংগী ঈথক ক-খিরম্মী, হৌজিক তম্পাক্কী লমদম অসিনা ঐখোইগী থাইনগী অহন-লমনশিংগী অনৌবা য়াকাবুং অমস্তুং খোংদাক্ষম ওইখি। অনৌবা শাইদাংক্ষম অসিদা মযুম মকৈ লিংখিবা কাংবুবু মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না মৈতৈ অমস্তুং মখোইগী লোনবুনা মৈতৈরোন কৌন্নরম্মী। য়াক্ষম অসিগী প্রমানশু চীং খুঙ্গা কাংবুশিংগী ফুঙ্গা রারি ; লৈশেমলোনগী য়ারী কয়ানা পীরী। অসিগুম্বা রারীশীং অসিনা মৈতৈবু মনাওমুপা অমস্তুং চীং খুঙ্গাশিংবুনা ময়াম্বা ওইনা শীংথাই। অমস্তুং মচিন মনাও অনিনা কাইনখিবগী রারী অমস্তুং মৈতৈনা তম্পাক্কী লমদমদা

খুন্দাখিবগী মরি মখোংস্থ মচা খাইনা লৈশি লৈখোলল্লি। রারীশিং অসিনা চীং অমস্থং তমগী খুঙ্গাশিংগী চায়োক নাওয়োক তিন্নরম্বগী ফীভমগু মবিক চুন্না তাকই। ঐখোইগী লাইবক থিবনা, অসিগুম্বা খাইনগী রারীশিংগী অসি থিজিম্বা অমস্থং খোমজিনবগী হীরমদা মণিপুরগী অখং অহৈশিংগী মীৎয়েং চংশিন্না ঙমদ্রি। পারি পুরি তিন্নবা, অমস্থং অন্না মুংঙাই কয়া পুন্না শব্দক য়ামিন্নরকপগী মওং অসি মকা ফোংনা উৎকদবনি, ময়েক লানা শন্দোকদবনি। মওং অসি অচাবা শক্তমদা উৎননবা মণিপুরি অহৈ অশিংশিংনা মশিং চাবা শিন্থা পাইখৎলকপা পুংজা অদু খাইনা খৌবাংনা ঙাইনবি। মণিপুবগী লোন ময়াম অসিগী যীরেপতগী য়েংদুনা ঐখোই মণিপুরিশিংবু মপানগী অহৈ অশিংনা কাংলুপ অহুম থোক্না খাই-দোকই। ঐখোই খরবু মখোইনা নন-নাগা কৌই, ঐখোই খরা-বুনা মখোইনা নাগা হাইনা কৌই, ঐখোইগী তম্পাক্তী খুঙ্গাশিংবুদি খাইনগী মমিং অদুনা অদুম খ নৈ, মৈতৈ অস্থম কৌই। ঐখোইগী লোনশিং অসি নৈন্নবা খুৎলোইনবগীদমক ঐখোইবু মপানগী অখং অহৈশিংগী কা লুপ অহুম থোক্লা খাইবা অসি মপা মমা অমতগী মচাশিংবু তোঙাংনা শোঙান্বা মমিং থোনবগুম্বনি। অদুবু তশেংবমক্তি ঐখোইগী খাইনগী অহল লমনশিং অদু লোন অমতনা মমালোন ওইথি। রাফম অসিগী প্রমাণগু ঐখোইগী লোন কা লুপ (নাগা নন-নাগা, অমস্থং মৈতৈ) অহুম অসিগী মপুংনা লোনশি অসিগী মরক্তা মপুং ওইবা ফীরেপ অয়ামবদা তশেংনা মান্নবগী খুদম কয়া লৈরিবা অসিনি। লোনগী রায়েন অমস্থং পথাপ থাদুনা য়ে বদগু

ঐখোইগী লোন কাংলুপ অহুম অসিগী মমুংচনবা লোনশি অসিবু লোন বৌবদি অরান্বনি। ঐ অমগী ঐনা খুদিংমকপু উপান থৌবগা পাংখকনি। ঐখোইগী লোনশিং অসিদি লোনথৈ থোক্তুনি। ঐখোইগী থাইনগী অহল লমনশিংগী লোন মপি অদুগী মশা (মচা) ওাক্তুনি। মরম অসিননি মণিপুরগী লোনশিং অসিগী মমুং হুনজিনবা ফিরেপ কয়ামুক মাল্লবা শরুক কয়ামুক উবা ফংলিবা অসি। খুদম ওইনা ঐখোইগী লোন অমা অনিগী মমিং পন্ন, য়াই। মৈতৈলোন অসি নন নাগা লোন কাংলুপকী লোনদগদি য়াম্না নক্না অদুগা নাগা লোন কাংলুপকীসু লোন্দগীদি খবা থাপতোকপগী রারোন অসি মপানগা অখং ওংহে খরানা য়াম্না থৌনা ফনা হায়রি। অদুবু মখোইগী রারোন অসি অরান্বনি। মৈতৈলোনগী শাথেক অমসুং শাওংগা নন-নাগা কাংলুপকী লোন থাদোগী শওং শাদাগা নত্রগ নাগা কাংলুপকী লোন কবুইগী শওং শদাগা, লোনগী রায়েনগী মপুং ওইবা ফীরেপ অয়ামবদা পুন্মান মান্নে। লোন অমতগী মশা (লোনথৈ) ওইরিবা ঐখোইগী লোনশিং অসিবু অমগা অতোপ্পা অমগনা হেম্না নকশিল্লবা নৎত্রগা লাপ্লবা হাইবদি উপান্বী অমগী মনা অমনা অতোপ্পা মনা অমগা হেন্ন নকশিন্নবা নত্রগা লাপ্নবা হাইবগুম্বনি। ঐখোইগী লোনশিং অসি লোৈন্থে ওাক্কনি ; লোন মপী অমত্তা নত্তে হাইবা ঐখোইনা কাওবা চুমদে। লাইরিক লাইশু হৈবগী চাং য়াম্না য়ামখৎলক্লবা মতম অসিদদি, ঐখোইগী লোনথৈশিং অসিগী মরক্তা খেন্নবা উরিবা শরুকশিং মাংহন্বা অমসুং মখোইগী মান্নবা

শকনশিং অত্তু হেন্না মকা ফোংহনবা অসি পাংথোকপা ঙম্মোইদৌবা শিন্না অমা নৎত্র। শিন্না অসি পাংথোক্লবদদা এখোইগী লোনশিংগী মথক্তা থৈবিবা অমগা অমগা মরোন খংনদবগী পন অসি থুগাইবা ঙমগনি। শিন্না অসি মাইপাকনা পাংথোকনবগী হিরমদা এখোইগী অখং অহৈশিংগী মীৎয়েং চংবিরকপা মতম ওইরে।

নাগা কাংলুপকী মনুংচন্না লোইনবশিং অসি অচুম্বা লিচিংদা পৃথবল্লবদি অতোবা লোন অনি অহুমদো পুনশিনবা য়াবগী মওং তাংগনা ডই। নাগা লোন বা লুপকী লোইনবশি গী যীভমশু ননাগা কাংলুপকী লোইনবশিং অসিগী যীভমগা মান্নৈ। মহৈ মশিং হৈবা চাং হেনগৎলকপা অমসুং লম্বী থোং ফংগৎলকপগী খোংথাং ঙাবানিনা মশিং চাবা শিন্না পাইখৎলবদি নাগা কাংলুপকী লোইনবশিং অসিগী মশিংশু অনি অহুমতদা হন্থবা য়াবগী খুদোং চাবা নিংথিনা লৈ। মান্নবা লোন মচা বয়ামুক পুনশিল্লগা ময়ামগী ওইবা অচৌবা লোন অনি অহুম মখোং শোমগৎপা হাইবশি মী লাখ ১০ তগী মণিপুরী বাঙলুপকীদমকতি চনিং তানা খনথফম থোকপা ৱাকমনি। এখোইগী লোনশিং অসি এখোই খবাগী মনাক্তদা হি বনদি ওইদে। এখোই অসি মরাচেংপা সাহিত্যগী শাদোং ওইহন্দবা য়াদবনি। অসিগুম্বা থাকতা পুখৎনবা এখোইগী লোন অসি তন্না তন্না অমগী মতেং লৌদবা য়াদবনি।

মণিপুরগী চৌংগী অমসুং তমগী খুঞ্জাশিংগী শাইওন অমসুং মীৎয়েং মান্নবগী মওং অসি মমুং হুনজিন্না য়েংশিন্দবা য়ারক্তবা মতাং লাকলবনি। এখোইগী কাংবুশিংগী মরক্তা মপানথোংগী

ওইনা মাম্নদবা ওং [illegible] মনু দদি রাখল অসুং মীদম [illegible]
লিচিং অমা লৈবিবশি হান্নদগী [illegible] খংহন্দবা [illegible]
মতম লাক্লবনি। লিচিং অসি [illegible] খংহন্নবদা [illegible]
যাইযবা অমসুং লাইবব থম্নাল [illegible] [illegible]বনি। [illegible]
লিচি অসিদা মতেং [illegible]বিবা পোংচকি [illegible] মুন্না [illegible]
কপা [illegible]। লিচি অসিদা [illegible] [illegible] [illegible]
মবক্তগী মক্ত ওইব। [illegible] অমদি ঐখোইগী [illegible]
[illegible] লোক সাহিত্যগী I [illegible] গী [illegible]
লোক সাহিত্যগী [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible]ওইবগী [illegible]
মৈতৈগী [illegible] [illegible] অসি [illegible]
[illegible] [illegible] মসিনু [illegible]
হায়না [illegible]। ঐখোইগী [illegible]
[illegible] অসি [illegible] অমগী [illegible]
[illegible] [illegible]
ঐখোইগী [illegible]
[illegible]
[illegible] অমসুং [illegible]
অমসুং [illegible]
অপুন্না লোক সাহিত্য অসি থিজিন [illegible] [illegible]।
ঐখোই খ্বাইগী সাহিত্য [illegible] চৈং [illegible] অমসুং সংস্কৃতি[illegible]
অসিনা অহেন্না মঙান হাপ[illegible]নি।

ঐখোইগী কা বুশি গী য়ুম্নান কৈবানগী আয়ম্বা পথাপ অমস্তুং রায়েন বাংলোনগী পনখৈদস্তু, ঐখোই মশেনগী অমস্তুং মাইওন শিন্নগী অরাবা খুদম কয়া থেংনৈ। ঐখোইগী চীং অমস্তুং তমগী কাংবু খুদিংমক অসিদা পাম্নৌনা য়ুম্বুরেল ওইবা সমাজগী মপুং ফাবা শক্তম উই। য়ুম্নানলোনগী অকুপ্পা হিরম কয়াদা, লৈকোক লৈকাই থৌদাং কয়াদা পম্নৌনা অশোম অরেম ওইবা অসি ঐখোইগী কাংবু খুদিংমক্কী য়ুম্নান কৈবানগী পথাপ্তা ময়েক শেংনা থেংনৈ। লৈকাই খুদিংমক্তা পাখংফান অমস্তুং লেশাবীশিংগী শিন্দমশং অমস্তুং নীংথোন লাকপগী রানক। লৈকাই রানী ঐখোই খুদি মন্না ওনি ফাওবা তারি। মংমগী খোদৈ মতুং ইন্না পাখংফান অমস্তুং নীংথোন লাকপগী মশক অসি খরদি শামলে; অমস্তুং ঐখোইগী চী তংগী নাতি কোনবা খবদি মখোই অসিগী মহি ময়াই মা দ্রি অমস্তুং হৌজিক ফাওবা মতৌশাগুম্না অর্থ থোকনি। খুল্লাকপনা মপাশকপা খুঞ্জাশিংবু লমজিংবগী মওং—ওসি খাওবা ময়েক শেংনা উবি। হৌজিকস্থ মাগী লমজিং মৈবাগী মঙান ফাওরি। থাইনগী ঐখোয়গী অহন নমনশিংনা এহেল্লৌডৈংদগী চৎনরকপা য়ুম্নান কৈবানগী পথাপ অমস্তু লৈকোক লৈকাইগী রায়েন কাংলোনশিং অসি কাংখৎথাং তাঙনবদি চুমদে। অবেম্বদা মাংহনখিবা তারবনি ঐখোই খুদিংমক্কী শাখিবা অশোইবা অমা ওইনি। ঐখোইগী থাইনগী পথাপ অমস্তুং কাংলোনশি অসি মঙান হেনগৎহনগনি। মশাগী মহি ময়াই মা হায়োই। ঐখোইগী থাইনগী চৎনবী অমস্তুং হৌনবীশিং অসিনা চীং অমস্তুং খুঞ্জাশিং গী পুকচেন খোইজেন ডিন্ন-হন্নবগী হিরমদা অচৌবা মতেং অমা ওইহল্লি।

লাইনিং লাইশোন অমস্তুং ঈরাৎ চবানগী পনথৈদস্ত মণিপুরগী চীংতম খুঙ্গা কাংলুপশিংগী মুংগি ফিভম অমা মনা যেংলক্কনি। এখোয়গী চীং তমগী কাংলুপ খুদিংমক্কা লৈংথাম অমা ইবাৎ পূজা তৌই। লাইশিং অসিগী মমিং য়াম্মী; মখোই খবা অমনা মাইকৈ ঙাকপা লাইনি, খবা অমনা মহৈ মশিং, লনগুম, চাবহোং চাহোং বগী হিবমদা মীংমেং চংবা লাইনি। লাইশিং অসিগী মরক্তা খ্বাইদগী মকিক মথৌনা হেন্না লাই ঈবাংনম্মী। এখোই চীং তমগী কাংলুপশিংনা মাবু তোঙান তোঙান্না মী থোনপী। অদুবু মাগী থৌদাং অমস্তুং মতিকময়াইগী মতাং লৈশি লৈথোম্ব। মতম-দদি, কাংলুপ খুদিংগী মীওইশিংগী থম্মোয়দগী চপ মান্নবা তশেংবা রাখনগী ঈবা চেন্থবকই কা লুপ খুদিংগী লাইশিংগী মবক্তগী লাই অমদি যুম কোন্বা লাইনি। এখোইগী কা লুপশিনা লাই অসিবু তোঙান তোঙান্না মমিং থোনহল্লি। লাই খব অমদি ঈশিং চাওবা, চাক তাংবা, শা লানগা মবি লৈন্নরম্মী। মখোই অসিবু পেনতন্নব গীদমকশু ঈবাৎ চবান অমস্তুং থৌবাং কয়া তৌবম্মী।

মখোয়গী ঈবাৎ-চবান অমস্তুং লাইহংলোনগী পথাপশিং অসিগী মনুংগী অর্থ অমস্তুং ভাবশু এখোইগী চীং অমস্তুং তমগী কাংলুপ খুদিংমক্না মাইব অমস্তুং মাইবীশিংদা পিনবিবা শিন্থা অমদি থৌদাংশিং অদুস্ত থোইনা খেন্নবগী মওং উদে। লাইশিংগী ঈরাৎ চবান অমস্তুং মাইবা মাইবীশিংগী থৌদাং অসি চহি য়াংখৈগী মমাংদদি পাক চাওরবা অর্থ থোকলম্মী। অদুবু মখোইগী অর্থ অমস্তুং মঙান অসি মতমগী অকনবা ঈচেনগী তেমথেংনা খরদি

মমহল্লে। অদুবু ঐখোইগী নহাবোলশিংদগী চৌংনবা মীৎয়েং থেংনববশু ঐখোইগী চৌং তমগী অহল লম্মনশিংনদি অমনা অমগী মরা অংদা মতেং পাংলিবা অমসুং মখোয়গী পাওতাক লৌরী। লাইনিং লাইশোনগী ভাব অমসুং রাখল তিম্নবগী লিচিং অমনা চৌং তমগী ঈ অমসুং সংস্কৃতিকী তৎন থানবা লৈরকত্রবা মবি অসিদা অকনবা পাঙ্গল হাপলম্বনি। অদুবু ঙসিদী ফীভম অসি খবা হোংলে। অদুবু মহৌশাগী মান্নরম্বা রাখল অমসুং ভাব অসি নিংশিংবদা ঐখোইগী থম্মোইদা হরাওবা তুজুংবা পোকহল্লি অমসুং অহল লম্মন অমদি চায়োক নাওয়োক শিন্নরকপগী নুংশিবা রাখল অদু লানাহৌনা য়াকাইহল্লি।

ঐখোইদগীনা চহি চা কয়া চুপ্পা ঙসি ফাওবসি মণিপুরদা চৌং তমগী বা লুপ খুদিংমক্কী শাইদাংফম ওইরকপনি।

মণিপুরগী সংস্কৃতি ঐখোয় পুম্নমক্কী হুমাংমন্নি, মসিগী সভ্যতা ঐখোয় পুম্নমক্কী রাজমন মহৈনী। মণিপুরগী চহি ২০০০ গী ইতিহাস অসি ঐখোইগী থাইনগী অহল লম্মনগী অন্না নুংঙাইগী মঙাননি। ঐখোইগী কাংলুপ খুদিংমক্কা ইতিহাসকী লংলবা খোংচৎ অসিগী মনুংদা সনা ফুদোংলবা মতাং কয়া থেংনখে। নুংঙাইবা কয়া পুন্না শরুক য়ামিন্নখি; লৈবাক মরা তপ্পা, চাওখৎপা অমসুং মনিং মথা তম্নবগী মহৈ পুন্না তামীন্নখি। জাতি অমগী ইতিহাসকী খোংচত্তা অরাবা অমসুং নুংনাংবগী শরুক থুংদবা নত্তে। ঐখোইগী জাতিগী ইতিহাসকী পনখৈদসু মসি থোক্কবা নত্তে। ঐখোই চৌং তমগী থাইনগী অহল লমনশিংনা

অমাবা কয়া পুম্না মায়োক্নখি। লা-লানগী মৈশা পুম্না থাংখিনখি। ঋাত্তিগী অমাবা মতাংদা, কাংলুপ অমনা অতোপ্পা কাংলুপ অমবু খুদোংথিবগী চৈরক্তা লাংথোক্লগা মশাগী ওইজবা থিননবা হোৎন-খিবা লৈরে। করম্বা নিংথৌশিংগী শুপ্পমগী রায়েনগী তমথিবা চৈথেং ঐথোয়গী কাংলুপ খুদিংমক্না নিপা থোক্না মায়োক্নখি। ঐথোয়গী চীং-তমগী অসিগুম্বা চহি ২০০০ ইতিহাসবু ঐথোই চীং তমগী খুম্নাশিংনা করম্না কাওথোকপা ঙমগনি ?

শেন থুম অমসুং লল্লোন ইতিকী থবক তৌকম কয়ানা মনি-পুরগী চীং-তমগী খুম্নাশিংবু মপা মমা অমগী মচিন মনাওগুম্না তিন্না তোৎনহল্লি ; হিরম কয়ামুক্তা হাকথেংননা শিন্থামিন্নহললি। চীংমী মথল মথেন কয়াগী পোৎথোকশিংগী মপান তাংহল্লবদি তম্পাক্কী লমদম অসি লৈকংলাগা পাংথক ওইগনি। তম্পাক্কী ফৌনানা শংলবা লবুকশিং অমসুং খুৎশা হৈবগী খুজিল থৌরাং কয়াগী মঙাল ফংহল্লবদি, ঐথোইগী চীংগী লমদমসু লৈকংলাগী অকোকপা চীংচুমগা পাংথক ওইগনি। তম্পাক্কী ফৌনানা শংলবা লবুকশিং অমসুং খুৎশা হৈবগী খুজিল থৌরাং কয়াগী মঙাল ফংহল্লবদি, ঐথোয়গী চীংগী লমদমসু লৈকংলাগী অকোকপা চীংচুমগা পাংথক ওইগনি। পুংজা খুদিংমক্তা চীংগী পোৎথোক কয়া অমা তম্পাক্কী লমদম পাংলক্লি, তম্পাক্কী পো'থোক ময়াম অমসু ঐথোয়গী চীংগী লমদমগী কাচিন 'কোইয়া' শিনথুনো পুশিনখি। চীং তমগী মরক্তা লৌথোক লৌশিন তৌনবগী থোং-থাং অসি চাং থরা তপথহনবা ভাবরদি ঐথোইগী চীংগী ইচিন

ইনাওশিংগী ইনশাং থুম মমবা হাৎকনি অমসুং তমগী ইচিল ইনাওশিংগী চাকথুমেম্ব মৈ মুৎকনি। অমগী মপান অমনা তাংবগী খোংখাং অসি পু মলেপ লেপহনবা তারবদি, ঐখোয়গী চৈং তমগী খুন্নাশিংগী খুন্নান কৈথানগী থবক থৌরম পুন্নমক কাংখোং চাইনংথ নি, উজার মেলা শাগনি অমসুং শাথিনা তানিং তাখাং ওরগনি। ঐখোয়গী চৈং তমগী শেলথুম, লন্নোন ইত্তিক অমসুং অতে থবক থৌরম কয়াগী মরি অসি হৌজিক্কী চাং অসিদগী হেন্না নকশিলহল্লবতদা মনিপুরগী অপুনবা য়াইফবা অমসুং লাইবক থম্বাল শাৎপা ওইগনি।

ঐখোইগী চৈংতমগী অপুনবা সংস্কৃতিগী মঙান মকশিলহন্নবা অমসুং মসিগী কুচু কুমেন মাংহন্নবা মসিগী খোংচত্তা অকাইবা অমসুং অপনবা কয়া পীরকপা য়াই। অসিগুম্বা ওইরকপা য়াবা খুদোংথিবশিং অসিগু ঐখোইনা চনিং তানা খংহন্দবা য়াদে। ঐখোইগী সংস্কৃতিনা ঐখোইগী চৈংতম কাংলুপশিংগী লমজিং মৈরা ওইরকনি। মৈরা অসি মঙান হেনগৎহন্নবা অসি ঐ থাই খুদিংমক্কী অচেৎপা হাশকনি অমসুং খ্বাইদগী অথোইবা থৌদাংনি। মৈরা অসিগী লিচিংদা ঐখোই মী লাখ ১০ তরাথক্কী কাংলুপ অমনা লাপন ভৌবা লেপলি। পৃথিবীগী চাওরবা কাংলুপশিংগী মরক্তা ঐখোই লাখ তরাগী কাংলুপ মচা অসিবু শিংথানন্নিবা অসি ঐখোইগী অপুনবা সংস্কৃতি অসিগী মত্তিক মগুনগী মপান্ননি। ঐখোইগী সংস্কৃতি হৌজিক্কী থবক অসিদগী হেন্না 'হাংবা 'থাক 'অমদা' ঐখোইনা চিংখৎলিংঙি।

ঐখোইশী মসক্তিনা সনা মুদো বা মতাং অমদা হাপ্লোইবা অদু ঐখোই চীং তমগী শরুগা পুন্নমক্না মিৎ খিংনা য়েংনি ডি। মনি-পুরগী মরিক চুম্বা ইতিহাসতি চীং অমসুং তমগী হৎনা থানবা য়াদবা ইতিহাস ওইকম থোকই। মনিপুরগী সভ্যতা অমসুং মতিক মঙ্গল লৈরবা সংস্কৃতি চীংমী তম্মী পুন্নমক্না শেমগৎপনি। অদুবু মণিপুরগী ইতিহাস নৈনরিবা পণ্ডিতশিংনা চীংগী ইতিহাস নৈনবা অদি খরা য়াম্না ডেই। অদুনা মণিপুরগী ইতিহাস হায়রগা তম্পাককী ইতিহাসতমক উরিবা মীংয়েং অসি হোং-হনবা তাবনি। অদুবু ঐখোইনা হান্না খংহে গদবদি মণিপুরগী চীংগী ইতিহাস নৈনবদা মরু ওইবা মচাক, পাঙ্গি লেযম (লোসচ অফ ইনকোরমেটসন) ফজনা ফংদবগী খুদো থীবসিনি। অদুম ওইনমক ঐখোয়না হিরম অসিদা থিজিন খো চিনবা পণ্ডিত-শিং মণিপুরদা য়াম্না থোকলে খংবদা মুংঙাইবদি পোকই।

হৌজিক য়াম্লরিবা মণিপুরগী ওইবা ইতিহাসসি খুষ্টগী মতুং অহানবা শতাব্দীদগী হৌরী। মসিগী মমাংদা মণিপুরদা মী তারমদে নত্রগা নিংথৌ পাল্লমদে হায়বদি নত্তে। মণিপুর তম্পাক্না সলায় তরেৎ লৈরমলে মখোইশিং অদুদি— (১) নিংথৌজা (২) অঙোম (৩) খুমল (৪) মোইরাং (৫) লুৱাং (৬) খরাং লৈশাংথেম অমসুং (৭) খাবা ঙানবসিনি। তমপাক্তা সলায় তরেৎসিনা মখোই মখোইগী লম খাইদোক্তুনা তোংঙান তোঙানবা লৈবাক লিংখৎলমলে। সলায়শিংসিবু নিংথৌজা সল্লনা মৈতৈ কাংবুনা লৌই চনশিল্লুনা অমতা ওইবা মণিপুর

শেমগংখি। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্না ইন্দাগদা পাল্লবা কংপাদা কোমুং ওইবা মৈতৈশিংগী নিংথৌসি—পাখংবনি। পাখংবসিনা কংলাদা নিংথৌ মকম হাংলবদা ফম্বাল কাখিবনি। পণ্ডিত অচৌবা শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্র সিংহগী মত্র মতুংইন্না পাখংবনা ইরিল তুরেনগী মকরোমদগী লাকই। কংলাগী চীখৈ পাংবদগী লাকপনি—রাজকুমার ঝলজিৎ সিংহগী রাখল্দা মহাকপু অর্ঘ্য নিংথৌ মচামশুম্না ওইরমবা য়াই হায়নিংবগী রাখলম্না পোকহল্লি। এখোইনা থম্নবা য়াবদি মৈতৈ নিংথৌশিংনা ফম্বাল তোংবা মতমদা তাংখুন অমম্না চীংমী অতৈগী ফিজেৎ শেংলি। অতুনা যুমশা কৈশাম্না চীংমীশিংগী য়ুমশাশিংগা মাম্নরিবসিনি। ইরিল তুরেন মরুরোমদগী লাক্লবদি উগ্রুলোমদগী নত্রগা উখ্রুল কাউত্না লাক্লম্বা য়াই।

অতুনা তাংখুলশিংগী রারীদা মৈতৈ নিংথৌনা তাংখুলশিংগা য়াম্না নকুবা পিরী: তাংখুলগী খুল অমদা পাখংবা মরেক রেকপা ফিরানবু হেঁজিক ফাওবা য়াম্না মুংশিনা থম্নরী পাখংবসি তাংখুল ওইগদ্রা ওইরোইদ্রা হাইবদুদি হায়বা শুমত্রবম্না তাংখুলশিংনা মৈতৈ নিংথৌগা নকুবদি মসিনা ফজনা তাকলি।

পাখংবদগী বোধচন্দ্র সিংহ ফাওবা মণিপুরদা হায়বদি কংলাদা পানখিবা নিংথৌ ৭৪ নি। মসিনা মোইরাংগী অঙোমগী খুমনগী য়াউভিজি। নিংথৌশিংগী রারীশিংগা চীংমীশিংনা অম্পাকী নিংথৌ ওইখিবগী রারীশিংম্না লিরী। খুদম ওইনা মৈতৈগী অহুমশুবা নিংথৌ তাউথিংমাঙ(২৪৬-৩৬৪) অসি কবুই অমম্না খোংজাইশিংগী রারীদা মথোইদগী হৌখিবনি হায়বা রারী লিনরী। ৬শুবা

শতাব্দীদা পানখিবা শামৈয়াং অসিস্থ তাংখুলশিংনি হায়রী। অনালশিংগা মোংয়াম্বগা য়াম্না নক্কবা য়ারী লৈ। মপানগী ইতিহাস ইবশিংনা চৌংমীনি হায়রিবা গরিবনিৱাজ অসিস্থ থাঙ্গাল নাগা-শিংগা য়াম্না তিন্নবা মরী লৈরী। হায়রিবশিংসি পণ্ডিতশিংনা অচুম অরান অত্তুদি খিদোকখিস্মু অদুবু ঐখোইনা থনবদি ৱারী-শিংসিনা চৌংমী তম্মীশিংগা নক্কবা মরী তাকই হায়বসিনি। থাই-নদি লৈবাক অমগা অমগা, খুলগা খুলগা শা-লান য়াম্না কনবা মতমনি। মণিপুরগী অরিবা লাইরিকশিংদা তমগী নিংথৌ মশেন, তমগী নিংথৌশিংগা চৌংগী নিংথৌশিংগা লান শোক্কবগী ৱারী য়াম্না ইরি।

৬শুবা শতাব্দীদা পানখিবা নিংথৌ কোনথৌবাগী হাক্তক্তা ইম্বালগী নোংপোক্তা লৈবা নোংমাইজিং চৌংদা পাল্লম্বা শেল্লোই লংমাইশিংনা চরোঁ মোৰোঁনরম্মী। ঐখোইনা নাওথিংখোং কম্বাল কাবা হায়বা লাইরিক্তগী থংবদি মৈতৈ নিংথৌ মচা নাওথিং-খোংস্থ শেল্লোই লংমায়গী নিংঙোল পেতঙা লেৈদুনা নোংমাইজিং চৌংদা য়াওং ইন্দুনা লৈখি। থরা লৈরগা মৈতৈগা শেল্লোই লংমায়-শিংগা লান শোররব্রবদা নাওথিংখোংবু শেল্লোই লংমায়শিংনা হাৎকে তৌরবদা মাগী মুপি পেতঙানা বনবীখি। অদুবু নাওথিং-খোংনা তুংদা নিংথৌ ওইরবা মতমদা মহারাণী ওইহন্দবদগী নীংবা কাইরত্তুনাং পেতঙা লাই ওইদুনা য়ুমজাও লাইরেম্মা ওনখি। শেল্লোই লংমাইশিংসি অঙোম্মনি হায়। অঙোমশিংস্থ থরদি চৌংমী ওইরমগনি।

অহুগা ইতিহাসমক্তি নক্সগা পাম্ভোম্বী অমসুং নোংপোক নিংথৌগী ব্রারী পাম্বোয়বী খোঙ্গুলদগী কংই। মসিদা তাংখুলশিং কিজেৎ চাকচা নোংপোক নিংথৌনা শিজিন্নবা ইরি। হৌজিক ক্ষাওবা মৈতৈশিংগী লাম্ব হন্নাওবদা তাংখুল শাবা অহুম মউরী। তাংখুন শাবনা শেৎলিবা ফিজোন তাংখুনগীনী। মসি ইতিহাসকী মচাক নক্সবস্থ সংস্কৃতিগী মরি অহুদি ফজনা উৎলি। মৈতৈ নিংথৌশিংনা মখোইগী শক্তি শন্দোক্সবা হোৎনবদা লান কম্না শোক্সখি। মসিদা খুমন, অঙোম, লুব্রাং নিংথৌশিং অমসুং চৈংগী মরিং, অনাল তাংখুলশিংগস্থ তোইনা লান থেংনখি। থম্নবা য়াবদি লানফমদা ফারকপা খুমন অমসুং অঙোমশিংগী মীংদা চৈংমীশিংগী মীং য়াম্না য়াওই। অহুগী মথক্তা চৈথাবা মীশিংগী চৈংমী মমিং য়াম্না য়াওরি।

মণিপুরগী রাজনিতিগী ফিভমদা চৈংতম অনি য়াম্না হেন্না নকশিল্লকখিবদি লোইয়াম্বগী হাক্তুতনি। লোইয়াম্ব খৃঃ ১০৭৪ দা নিংথৌ ফম্বাল কারগা খৃঃ ১১২২ দা নোঙ্গাখি। মহাক্কী মতমদা অক্সাং নোংচুপলমদা চত্তুনা লোইপোৎ লৌথৎখি। অক্কু লোয়াম্বগী মমাংদা শাসনগী মরীদস্থ হেন্না নকশিলন্না য়ারে হায়না অথং অহৈশিংনা লৌনৈ। ১২অমসুং ১৪শুবা শতাব্দীদা পানখিবা নিংথৌশিংনা চৈংগী ল্মশিং অসি লৌশিন্দুনা মণিপুর অসি অসুম পাকথোকহনখি। রাজনিতিদা নকশিল্লকপগুমদুনা সমাজ অমসুং অতৈ মরমশিংদস্থ য়ামনা নকশিল্লকখি।

মোইরাংগী ১২ শুবা শতাব্দীদা থোকখিবা খম্বা থোইবীগী ব্রারীদা কবুই শলাং মাইবা ময়াম্না থংলখি। চৈংগী মীশিংনা

নিংখৌগী মাইথা ওইবসি অতৈ মকমদসু য়াম্না ফংই। চীংমী খরগি মাইচৌ হায়ব্বা মিংখোন ফংলমই। গরিবনিৱাজগী মতমদা শিন্দোকপনি হায়রিবা মৈতৈ ময়েক্কী মরূমদা ইবা পুয়া মমিংনা "য়াকোলোন, থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক" অসিদা ময়েক্কী মরূমদা য্যাখা তৌরীবা মাইচৌ অসিগী মমিং "অপোইননা" কোই। পণ্ডিত খরগীমত্তা অপোইননা অসি কবুই মীং ওইবনা কবুই ওইরমবা য়াই হায়রী।

চহাইরোংবা অমসুং গরিবনিৱাজগী মতমদা চীংমীশিংগা ভমীশিংগা নকশিন্নবা হেনজিনলকখি। মহাকনা কোম্মুংদা লৈখ্রবা মতুংদা, হাওচা লোইশং অত্থগা খরা লৈরগা "মেরা হাওজোংবা" নত্রগা চীং ভমগী কুম্মৈ মেরা থাদা তৌরম্মী। গরিবনিৱাজনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌখ্রবসু চীংমীশিংগা মহাকদি য়াম্না চান্নরম্মী। মহাক্না অৱা লান্দাবা চৎপদা চীংমীশিং মরু ওইবা তাংখুল, থাঙ্গাল, কবুই, মরিং অমসুং অনাল য়াম্না য়াওই। হৌজিক ইম্ফাল্দ খুন্দারিবা কবুইশিং অসি গরিবনিৱাজগী অৱা লান্দাবদা য়াওরুবা কবুই লাম্নীশিংগী মচা মশু ওাক্কনি।

অরানা ১৮শুবা শতাব্দী অমসুং ১৯শুবা শতাব্দী হৌরকপদা মণিপুরদা তোইনা লান্দাহুনা কাংখোং চাইরবা মতমদা মণিপুরগী চীংমীশিংনা মরৈবাক কন্নবগী চপচাবা শরুক য়াখি। চীংথংখোম্বা মহারাজনা ভেখাওদা চেনখিবদা মাও মরামগী ইচিন ইনাওশিংনা লমজিংবিরনি মহাক্না আসামদগী মণিপুরদা লান্দারকুবা হোৎনবদা ভমেংলোংগী কবুইশিংনা কন্না ভেংবাংখি।

চীংথংখোম্বা মহারাজনা চীংমী ফিজেৎনতুনা লোম্না খোয়ক-পদা চীংমীশিংনা নিংথৌদি লায়নি হায়রকুনা মতেং পাখি।

চীংথংখোম্বগী তুংদা অরানা লান্দাকুনা চহি ৭ খুন্তাকপা মতমদা, তমগী নিংথৌমচা হেরাচন্দ্রনা হুরানলাননা অরাশিংগী মথক্তা 'তৌথৎলকপদগী তাংখুলশিং য়াম্না য়াওখি। গম্ভীর সিংহনা কছারদা চেনখিদুনা মণিপুরদগী অরা তাহোরবা শেমখিবা মণিপুর লেভী হায়বা লাম্মীশিংগী মরক্তা মজাতিবু খুংশিবা চীংমীশিং য়াম্না য়াওখি। ওফিসিয়েল রেকোর্ড খরগী মতুংইন্না কছারগী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রবু বদরপুরদা ১৮৩০ দা হাৎখিবসি গম্ভীর-সিংহগী খেৎনশিন্নি। মসিদা মণিপুরগী চীংমীশিং য়াওখি। অদুবু গম্ভীর সিংহগী মতমদা চীংমীশিংসু মণিপুরগী শাসনদা লৈখি।

হিন্দু ধর্ম্ম চংলকলবদা চীংমী অমসুং তম্মী অনিমক সমাজগী ওইবা রাখলদা লাপথোক্লবসু লৈবাক্কী য়াকমদা হেন্না নকশিল-নরকখি। খোংজায় ইচিল ইনাওশিংনা চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজবু মতেং য়াম্না পিখি। চীংমীশিংনা তমদা লাক্নুনা হিন্দু ধর্ম্ম লৌদুনা মৈতৈ ওনখিবসু য়াওখী। লৈবাক্কী অচৌবা ফম্নাইবা ওইখিবগী য়ারী কয়াসু লৈরী। ইংশোক ১৮৯১ দা ব্রিটিশকী মায়োক্তা মণিপুরগী চীংমী অমসুং তম্মীশিংনা মখোয় মখোয়গী শরুক য়ানদুনা মরৈ-বাক কয়বা হোৎনখি। কোহিমারোমদগী লান চংলকপা সাহেব-শিংবু মাওদা থিংখিরম্মী। তোংজৈ মরীনলোমদগী লাকপা ব্রিটিশ লাম্মীবুদি থিংবা ঙমখিদ্রে। খোংজোম লান্দা মাইথিরবদা মণি-পুরগী নিংথৌনা উগ্রুলদা চেনখিদুনা চহাদ খুন্দা লোংখি। অদুম্না

চীংমীসিংঙু মণিপুরগী নিংতম্বা মাংবগী অৱাবা শক্তক কয়ামকম য়াম্মীরম্মি। মণিপুরবু ব্রিটিশনা লৌশিনব্রবা মতুংদা চীংমীশিংনা অচোয়বু ভাগ্যোক্রা য়ানহৌরকখি। মসিদা ১৯১৯ গী খোংজাই লান অমসুং ১৯৩০ গী য়ুদোরাংগী আন্দোলনগী পম্বা য়াই। ব্রিটিশ চৎখ্রবা মতুংদা চীংমী-তম্মীশিংনা হেন্না নকশিনজনা শাসনদা য়াওমিন্নখিবা, মথেং মশিংগী লম্বীদা, মথোন ইথিকতা খুমাং য়াওগনিবকনি। মসি ইতিহাসকী খোংচৎনা পুরকপা ঊহৌ অমনি কুনা অমমতনম্ব থিংবা ভুমলোয় হায়না থাজে।

মণিপুরগী চীংমীশিংগী কলা অমসুং খুৎশা হৈবগী থবক।

—আংথোই থাইরৈ

লাইগী খুৎশেম নত্তবা তাইবং মী ঐখোয়গী বুদ্ধি লৌশিংতনা পুথোকচবা কম্মিগুম্বা কজবগী মওং মতৌ অমবু art হায়না খংনৈ। মরম অদুনা ইংলিস কবি Shelley না Art পু "Expression of Imagination" কল্পনাদগী থোকপা পোৎশক অমনি হায়রমই। Art হায়বদি চাউরাক্না অনিথোক্না খাইদোকপা য়াই—Fine arts হায়বা অমা অদুগা useful or industrial arts হায়বা অমা। জগোই, ঈশৈ, নাটক, কবিতা, লাই য়েকপা, মূর্তি শাবা, য়ুম শাবা, চকু শাবা, সনা শাবা, ফিরোনবা অশিনচিংবা অসি তোংঙান তোংঙানবা মখল মথেনগী Art চুপ্তনি। হায়রিবা কলাশিং অসিবু ঐখোয়না অমুকন্না হন্না মখোয় থোক্না খাইদোকপা য়াম্রি খুদম ওইনা মিৎনা উবা কলা নাকোংনা তাবা য়াবা কলা, মিৎনমক উবা নাকোংনমক তাবা য়াবা কলা অসুম হায়না: লাই য়েকপা মূর্তি শাবা য়ুম শাবা ফি রোনবনচিংবা অসিনা মীৎনা উবা য়াবা কলানি, নাটকনা মীৎনমক উবা নাকোংনমক তাবা য়াবা কলানি, মে ইপুরসুং ঈশৈসি নাকোংনা তাবা য়াবা কলানি।

মহৌশানা তাইবং মী ঐখোয়গা জীব অতৈগা খেল্লবসি অওকপা কংনা খেননরে। জীব অতৈগীদি মবুক্তং হেক থনবদা মখোয়গী অপোনবগী পন্দোন লোমই; তৌইগুম্বসুং মীওইবা ঐখোয়গীদি চাবা থকপতনা মতুগী মপুংফাবা ওইবা ঙমদে। ঐখোয় তাইবং মীসিদি জীব অমগী মহৌশাগী চানিং-থক্লিংবগী অরাম-খোৗরাংবগী মথক্তা ফজবসু অমুক পামলি। অওইবমক মীওইবা ঐখোয়সিদি কল্লিগুম্বা ফজবা অমা শেমনিং-শানিংবগী নিশা (creative instinct) অমসু মশাগী পীথোরকপা গুণ অমা ওইনা পোকপদগী অতুম য়াওরক্লবনি। অতুনা থাঙ্গেশেংনমক অসিগুম্বা ফজবা পামগী নিশা অসিগী লমজিং মথাদা তৌথিবা থবক্তী কল ভাক্তনি। ঙসি ঐখোয়না উরিবা ফজ-ফজবা মথল মথেলগী কীজেৎ-লৈতেং; লীক-কোন; ফুরা-দোলাম্নচিংবা হৌজিক কালগী সমাজগী অনৌ-অপেন ময়াম অসি পনবা য়াই।

অমরোমদা art হায়বা অসিমক্তি মী মী অতুনা থনবা রাখন অতুগী মমি নীংথিনা তাহল্লবা ফজথ্রবা খুৎশেম অমনি হাইবসু য়াই অতুগা অমরোমদনা তোংঙান তোংঙানবা মীওইবগী মশা মশাগী ওইনা পীথোরক্লবা তোংঙান তোংঙানবা গুণশিং অতু কোংদোক্লনবা পাম্বৈ অমসু মসিনা ওইরি। তৌবতবু হায়খিব্রা গুণশিং অতু কোংদোকপা মকোংদোক্তদি অমত্তা যাম্লদে; তোংঙান তোংঙানবা মওংদনি—থরনা নাটকতা, থরন জগোই ঈশৈদা, থরনা লোনবা, হকপা-শাবনচিংবা মানা মানা হৈনজবা তোংঙান তোংঙানবা হীরম কয়াদা মতুগী মমি হেক হেক তাহল্লি।

অতোপ্পা ৱাফম অমদা arts হাইবা অসিদা তাকিবা মখি অসি অশংবা লম্লাই মীওই খরতশী মত্রি। মাসিদ তোঙান তোঙাম্বা মকম, মতম অমদি কাওলুপকী সভ্যতা অমদি সংস্কৃতিগী লেঙত্রবা শক্তম কয়াস্থ পীরিবনি। মাসিনা কাংলুপ অমুগী নত্রগা সমাজ অমুগী মশক মওং তাকই অমসুং সমাজ অমুদা লৈরিব মীশিং অমুগী মরু ওইবা ৱাখলগী পরীং অমুস্থ তাই।

মতৌ অমুম্না arts হাইবা অসি সমাজ নত্রগা সম্প্রদায় অমগী মওং-মতৌ অমনি মাম্নগী সংস্কৃতি অমস্থং সভ্যতাগী মমি কজনা তারবা শকয়েং মিংশেলগুম্বনি। মাসিগী মতাংদদি চৈংমীগী ৱাফমনা অতোপ্পা অমা নক্নে। মখোয়গীস্থ মখোয়গী পুক্নিং, ৱাখল, সভ্যতা, সংস্কৃতি পুম্নমক মখোয় মখোয়গী লৈজরিবা কলা অমুদা তশেং-তশেংনা মমি তাম্বনা অকুম লৈরিবনি। তোঙতবু চৈংমী কালা-কারশিংগী মশুংদা মখোয় মখোয়গী কান্ন-কান্নদবগী ৱাখল অকুম স্থকয়াও-য়াওদনা কলা অমুগীদমক থৌওইনা হোৎনবগী মওং (arts for art's sake) অদু'মনি খরা তাঙই। মাসিগী মথক্তা অমুকস্থ কনাগুম্বনা করিগুম্বা কলা অমা হৈরম্বগা, মাম্নমক্তা মী অমুগী জীবিকাগী শেল থোককম উপায় অমা হেক ওইহনবী ভাব অসি'মস্থ চৈংমী কলাকারশিংগী ৱাখন্দা ইরৈ লৈতবগুম উরি। মরম অসিমক্তনা ওইরম্বা য়াই ওসি চৈংমীগী fine arts কী চাওখৎ-খোংথাংদা খরা থীম্না লৈরম্মি'বসি।

মতাং অসিদস্থ কনাগুম্বগী মিৎয়েংদদি চৈংমীগী পুক্নি অমদি মখোয়গী ৱাখলদা কলা (arts) হাইব'সিয়া ইন্নাও য়াওদ-বগুম্বা উমি। থাক্নেশেংবমক্তি মাসিগী মতাংদা শোইন্নিব'সিদি

চৌংমীগী পুন্সি নত্রগা য়াথন্দা নত্তে, অয়েংবা মহাক অত্থুগী মিং-য়েংদনি। ময়াম্বস্থু খংবিরিবা অত্থুমঙাই—তাইবংমী ঐখোয়গী মিংয়েং হাইব'সিমক্তবু মহৌশানা ইমান মায়দে। মী-মী অত্থনা খনবা য়াথলগী মতুংইন্না মানা মানা য়েংবা মীৎয়েংদস্থু মখল মখেল য়ামই :—খরনা হঙ্গৎনা য়েংবদা হৈনৈ, খরনা হন্থনা য়েংবদা মহৈনৈ অত্থুগা খরনা অনেম-অয়াং চপ মায়বা পরিং অমদা য়েংগনবা মীতাস্থু লৈরি।

মতৌ অস্থুন্না য়েংবা ময়েংনবু মায়ত্রবদা উগদবা মতৌ অত্থুদস্থু খেয়রকপা হাইব'সিমদি মশানা অত্থুম তারবা য়াফমনি। ইচম চন্না প্রমাণ অমদা সিনেমা য়েংগল্লবা কাংবুদস্থু সিনেমা য়েংবগী সুংঙাইবা মনুংঙাইসি অমত্তা মায়ত্রি :—খরনা সুংঙাইজৈ ফজব ফজবী, নায়ক-নায়িকাশিংবু উয়গা, মখোয়'ত্থুগী শওং-শাথেক য়েংলগা, আসোমদনা অমুক ফুরা-দোলাল ফজবা, ফিজেৎ-লৈতেং নীংথিবা ফজবত্তা উগনবা ফজ ফজবী কয়াস্থু লৈরি। নাকল অমরোমদনা অমুক কমদৌরি ? মগাঙমক্তদা লৈরবা মপানথোংগী ফজব-ফজবী ময়াম'সিগী অথোৎ-অমেং ময়াম'সি উনা-উনা উত্রি ; য়ায়ী অত্থুগী নত্রগা নাটক অত্থুগী মনুংগী তত্ব য়োনা হেক্তা হাই-জিনখিত্থুনা মিকুপ খরা অত্থুদি মাস্থু মশামক্লা হেক্তা য়ং লাউরবা নায়ক নত্রগা নায়িকা অমা চাননা হেক ঙইরব'ত্থু ঙাইত্রে—ফিল্ম অত্থুদা য়াওরিবা নায়ক-নায়িকাশিং অত্থনা য়াবা উয়গা মাস্থু হেক্তা বায়, কস্নে মাস্থু য়াওনা হেক্তা কপথোকপা ঙমই। মখোয় অসিঙুম্বা মীতা অসিনা "সিনেমা য়েংব" হাইরিবা অসি-

মক ৱাহৈগী অৱানবনি, অচুম্বা লোন্দাদদি "সিনেমা য়াওবা" হাইৱমগদবনি।

মথক্তা ঐনা হাইজখি্রবা সিনেমা য়েংবগী তোংঙান তোংঙানবা মফুংঙাইশিং অসিগী মরক্তা মাসিনা হেল্লি, মাসিনা ৱাৎলি নত্রগা মাফুনা কৈ য়াগনা কত্তে হাইনিংঙাই কৱিস্থ লৈতে—পূরমক ফিল্ম অদুদা য়াওফুনা লৈববা ঙাকনি, মথন-মথেনগী ময়ারি ঐগী ঐগী পামজবা হাইব'দুনি।

অদুনা মণিপুরগী অকোঙ্গবদা লৈরিবা চীংমী ইচিন-ইনাও-শি'সিবুস্থ তোংঙান-তোংঙানবা মীগী তোংঙান-তোংঙানবা মিৎয়েংদা ফজব-অথীবা মথন-মথেন গুনা অদুম লৈগনি। মরমদিঃ অফব-ফত্তবা, ফজব-ফজদবা হাইবসিমক্তবু মহৌশানা পোৎক্তুদা ঙাকস্থ লৈতবনি, ময়েং-ময়েংদস্থ লৈরবা জাৎনি।

ললিত কলাগী (fine arts) মতাংদা চীংমীশিংগী মরক্তা কবুইগী "বাঙ্গৈকেক" শীংথাবদা মতীক চাই। মাসি কবুইগী য়াম্না লিরবা কলাগী মফুদা মাগু অমনি। মাসিবু কয়ামুক লিরবগে হাইববু মাসি অদুগুম মীগা লাইগা শম্নরিঙৈদগী হৌনা চুৎনরক্লবা ওইনা হায়। তৌবতবু হাইরিবা কলা অসি মথোয়গী ধর্ম্মগা গুকথা থানবা য়াত্রবা পোৎশক অমা ওইবনা মাসিবু হৈনিংবা থুদিংমক্লা হৈজবা য়াবগী থুদোংচাবস্থ মাদি—লৈত্রে। ইনাক কৈরাক খুনবা মীনা মথোয়গী ধর্ম্মদা ওম্মোক্লা থাক-ৱাংনা লৈখ্রবা "ভরাংকাই" (অহোং-য়ুম) হাইব'দুমা শারবতদা য়ুম অদুগী মাঙোলগী ফম্লাং অকোঙ্গব'দুদা ওম্মোক্লা চীং-লেমখ্রবা

মওং অমদা হৌনবী মথন-মথেন কয়া য়েকপনি। চুপ্পা থ্বাইনা শানরিবা য়ুমশা অসিদা হেক য়েকশিল্লুবা য়াবা নত্রি। মাত্থদা য়েক খোৎকদৌরিবা কলাকার (artist) অদুস্থ মীশক অমুক নাইবনি, অথয়বা মীওইনি. হৈরগতা হেক য়াত্রি।

মতৌ অসুম্না থর্মগা কল্লিমতা তৎন-থানবা য়াত্রবা মরী অমা লৈবা অসিনা কলা অসিগী মতম কুইনা হিংনবগী মরু ওইবা মরম অমদি ওই, হাইববু হাইরিবা মরী অসিমক্কা অম-রোমদদি কলা অসিগী চাওখৎ-খোংথাংদা অমুকস্থু অপনবা অমা ওইদবদি নত্রি। করমনা?—কবুইনা য়েক-খোৎপগী কলা অসিবু নিংশিংবদি অথয়বা হৌনবী থ'দোক অমা খোরকপা মতমদতা তঙাইফদনা নিংশিংলুবনি। অদুগা তঙাই-ফত্রবা থবক'সি অমুকস্থু অথয়বা মীওই থরতনা তৌবা তারিবনি।

ফিজেৎ-লৈতেংদা য়েংলুরগস্থু চাংমীশিং'সি ওস্থোক্কা artistic ওইখ্রবা মীওইনি হাইব'সিমস্থু মখোয়না শেৎন-ইম্নরিবা ফজ ফজবা মথন-মথেন কয়াগী ফিরোনশিং অদুনস অদুম তাকলি। মখোয়না ফজবা পামখিব'সিদি অঙকপনি। খ্বাইনস তত্তনা উম্মা লৈরিবা অদুনি ঃ—মখোয়না কল্লিগুম্বা অকরুবা থ'দোক থন্নদা শেৎন-ইম্নরিবা ফি রোনশিং অদুদি য়েংবদা অঙকপা ফংনা ফজে—তোংঙান তোংঙানবা মথন মথেনগী মচুনা শাবদা অঙক অঙকপা লৈথেৎ হাপচিন্দুনা ফজখ্রবা ময়েক (design) কয়া খোকহনবনি।

ফিশা-লোনশাগী হীরম অসিদদি চাংমীশিং'সি চাননা অঙকপা কলাকার হাইব'দুমক য়োই। পোকপদগী কনানস্থু তম্বীরকপা

য়াওত্রবা, কদাইদসু তমলুবা লৈত্রবা নারক-মোংশোংদজা লৈজ্রবা চীংমীশিংগী থম্মোইদা ফজবগী মমি অমদি করিগুম্বা ফজবা পোৎশক অমা খোকহনবা ঙম্বগী পীখোরকপা গুণ কয়ামুক য়াম্না লৈবস্বগে হায়ব'হৌদি মখোয়না শাজবা মখোয়না শেল্নন-ইন্নরিবা মথল মথেনগী ফজবা লৈখেৎ কয়ানা লৈতেংলবা ফিরোন-শিং অদুমা লেঙত্রবা শাক্কিনি।

মখোয় অদুগী মনুংদা কবুইগী কৈঙাউ, লেঙলন, শোংনাই লংমু, কৈশোই ; মাওগী নহা, তোশমনী, ইলো-নবো ; তাংখুলগী হাউরা, চোংখোম, থংকং, খোইলং, ফাংয়াই, চোংখোম কশন, শংখান, য়াইরাৎ, ফোসগী পুনথে, পছেপুন, মুমহৈপুন ; অদুগা অনালগী অখুম অয়ো হরগুম অয়ো, য়ারহাংকল অয়ো, কুমদিল, খোংগুম লুংরিউ, ময়াংদিল··· ·······অসিনচিংবা কিশিং অসি মেংলবা থম্মোইগী ফজত্রবা মমি ঙাক্কনি। হাইব্রিবা কিশিং অসি ফজবদা অমনা অমবু হেন্নদে ; চপ মান্নবসু নত্রি— মথল-মথেনগী ফজবনি। অসিগুম্বা তোংঙান-তোংঙানবা ফজবগী মথল মথেনশিং অসিনা য়াম্নমক শেংনা তাক্লি মদুদি—মীওইবা ঐখোয়না হৌজিককালগী ফজবগী জাত্তা হায়নরিবা সনা, রুপা হিরা-মণিমুক্তাবু শুন্নবা চীংসুং-মানসুং অমদি মীনা পাক-শাক য়ৌবা ঙমত্রবা লৈকুৎ লৈরাইদগী ফংব'সি অঙকপা নত্তবগুম লাইরিক লাইগুদসু য়াৎলবা, চাওথত্তবগী শীংদসু চান্নবা চীংমীগী মন্নবা থম্মোইগী কাচিন্দসু ফজবগী লুয়ন্না মমি তারম্মি'বসিমসু অঙকপদি নত্তে।

চীং অমসুং ভমগী মরী

অগোই.ইশৈনসু অহুমগাই—জগোইগী মনুংদা কবুইগী থৌইরাম, মখোমলাম, খাংনারাম, গারাম, কৌংলাম; মাওগী—লাই কুহ, উরিদো, খোবুকচ; তাংখুনগী খমহোল, খওপাউ; মারোগী গুতালাম, জাংচলাম; কোমগী খাইখং-লাম, কংকুং-লাম অমসুং অনালগী অকমদাম, জাকাদা, তাঁ-গুলে, সেরোত্তা অসিন-চিংবা জগোইশিং অসি ফজবদা অতৈনা লাম্বা পাবা য়াবা জগোই ওাক্তনি। মখোয়শিং অসি তোংগান-তোংগানবা জগোইনি, তোংগান-তোংগানবা শাথেক্তা শাবনি, খোংগ-নৌখসু য়াম্নি, মথন-মথেনগী ময়াম্নি। হাঙ্গিপ্রিবা জগোইশিং অসি য়েংবদা মপানথোংগী মিংকম হোংবা য়াথিত্রবা ফজথবা শক্তম অমা উৎপা অহুগী মথক্তা মিংকী কুম্মৈত্তুগা লোইননা মখোয় মখোয়গী সঞ্জাতা অমদি সংস্কৃতিগী লেঙত্রবা ইথক-ইপোমগী অকুনবা ইহন অমসু থম্মোইদা হেক হেক ঙহোৎহল্লি। অতুনা হাঙ্গিখ্রিবা জগোইশিং অসিনা ফজবসি চুমগী মপানথোংদা ভাইহাকী ওইনা মিত্তা কাওবা ঙমতা নত্রি; মনুংগী ওইবা অয়েংবা ভাবুকী থম্মোইদা কাওবা অতুনা অমুকসু ফজবা হেল্লি

চীংথীগী জগোইদা ফজবা, মথন-মথেন য়াম্বগুম ইশৈদসু মথন-মথেন ওষোক্লা য়ামথে। অওইবমকসু মুমিংকী মৈশাদা পাম্বরুবা লৈরাংনা লাইজ ইশিং থীক্লগা অমুক হেকখৎলকপগুম, নোম্বতনা মপুম থীৎলবা চীংমীগী পুন্সিদি ইশৈতনা মখোয়গী শিদ-হিদাক্রি। ইশৈ-শক্তনা লৌ-গুবা হোই লাউদুনা লৌ-য়ৈবা,

করি অমুক হংলুনি ?—হয়াং খোক্ক-খোক্কয়া মপ্পাক্লল মখোনা হেক্কপা লাইমক্কক্ক.ওক্লমদৌবা বাপনশিক্কদা চীংমীনি।

ইশৈগী মসুংদক্ক কবুইগী ,লমলোম্ম, ,নুঙোং, নুঙকাই, ,চপা শিং মাগেন্ন্ ; মাওগী ওদো-লো, চোবুলো, ওক্কো কোল্লী। কোমগী লক্তাংল, কথীহলা, খজিনুহলা.; তাংখুলগী লাক্কুইলা, লাখঙলুই ; থাদোগী লোম-লা, ক্লাং-চলা, লাম্লেংলা, লাকোইং-লা অতুপা অনাগী খুলপুহলা, ক্লকমহলা, লুহলা, শা-হলা চাহলা অসিনচিংবা তোঙান-তোঙানবা ইশৈশিং অসি মঙাবা সুংঙাইবা হয়াউবা সুংশিবা মথন-মথেন কয়াগী শৈগুং-শৈদা গুনা যাওরবা মচাম্নি। মখোয়শিং অসিগী মরক্তা খরনা ঝাররবা থম্মোইগী চাক্কবা মৈশাবু মুংহনবা ওমখি ; খরনা নীংবা কাঙৈরবা কয়াবু মথৌনা মরীংজেন হাপ্পুনা অনৌবা পুক্লিগী অনৌবা আশা পী ; খরনা অমুক শুবতনা শোল্লবা নোমনা চোকথরবা কয়াক্কু অরা মৈশা কাউহল্লি। মখোয় অতুগী মরক্তা কবুইগী "মতোম্ম" ; চোথেগী "অথীলা" ; মোয়োন মোনশাংগী "ইতুনা হলা" ; কোমগী "কথী-হলা" ; মাওগী "ওক্কো কোলী" নীংবা কাঙৈরবা থম্মোইগী খোঙ্গোক্তা তাংথক নাইরবা মিংকী পিক্তনা রাথৈরবা শৈগুং ওাক্কনি। অতোপ্পা অমনা কবুইগী "লমলোম্ম" মোয়োন মোনশাংগী "কোলী-হলা" ; চোথেগী "বোতোং-লা" ; মাওগী "ও: দো: লো:" কোমগী "বরহলা" অতুপা থাদোগী "লোমলা" —"লাখোংলা" অসিনা মৈতৈগী "খুলং ইশৈ" না তৌবগুম শাবী শানৌ কয়াগী অপাম-সুংশিগী মমি ফজনা তারবা থোংপ

নোম্বদা লময়োম্ববী, পুক্লিং চুবগী তাঙ্গসু কেতুকী নাগেশ্বরনা য়োম্বদা শৈশক শৈহেক্কী পরীংনি।

মাসিগী মথক্তা অমুকসু কবুইগী "লাউকুল্লু" "লাউয়েঙলু" মাওগী "তাঃলো" শকপগা হেক্তা অরা-অনা কাউথোকপা ঙমখ্রবা কালেন নুংশাগী মৈরক্তা য়োং পাঙ্গইহনা লো-য়ানবদা চুমাং থোরু-থোরুগা চুংঙাইরকপা কালেন চুংশাবু য়াকচিংগী উনমুক ঙাংহনবা ঙম্লবা ঙকপগী তাক্তা অনিগুম্রবা ইশৈগী মথেম্নি।

অদুগা কবুইগী ফোগৌ ললকোবদা শকপা ইশৈ "মজারু" তারুবদা পুক্লিং থোগত্তুনিংঙাই লৈথিম্রবা শৈশক মথেন অসিমন'-মুক চুংঙাই য়াইফগী তোপ তোপ্না রাথলগী পরীং অমা পী। অদুগা অমুকসু কবুইগী "রিরু" মাওগী "চোখ্রুলো" কোমগী "হাংহল" কংবনা শরুদা উনশাতা পঙ্গবা হকচাংদসু থোনাদদি অকন অথৌগী মিচুন হেক্তা চুলহনবা ঙম্লব। শৈওং-শৈদাগী মথেম্নি।

মতৌ অদুম্না ইশৈ হায়বা কলা অসিনা ঐথোয় মীওইবগী থম্মোইদা ইথঙ থঙহৌদনা অনৌ অনৌবা রাথলগী ইহুল অমা হেক হেক ঙাহৌহনবা ঙমই:—চুংশিরবা ইশৈ অমনা থঙহৌদনা ঐথোয়গী অরা-অনা কাউহনবা ঙমই; লাইনীং লাইশোনগী ইশৈনা ঐথোয়গী থম্মোইদা ভক্তিগী মঙাল অমা হেক্তা লাকহল্লি —মাহ তারগা লানফমদা লানমীশিংগী মথৌনা মরিংজেল হাপ-কংলি—মরৈবাক্তীদমক থবাই থাবা পাম্মুনম্রি। অসিগুম্না অঙকপা কংখ্রবা সঙ্গীত কলাগী মতীক মগুণবু কনানা শিংথাদ্রুনা

লোইগনি ; রাহনগে ওমই, নোকহনগে ওমই, কপহনগে ওমই, ওইহল্লি বতা ওইহনবা ওমগ্রবা ওতনিংঙাই নৈরবি ঝবা কলাগী শক্তিনি।

অসিগুম্নবা মমল য়ামগ্রবা সঙ্গীত কলাগী শিব-হীরাকোঁ মচন ময়াম অসি চৌংমীদলীস্থ মথগ মথেন শুমা লৈরবি, করিমতা য়াংপা লৈত্রি। অদুমু চৌংদা শাংপা "ইঙেলৈ" না চিনবিনবা য়াওবনা উবিনবস্থ লৈতনা অ:রবদা পংতুনা পুমহুনা মাওবগুম মথগ মংথগ য়ামগ্রবা চৌংগী মুঙ্গা কয়াগী মেওপবা থংম্মায়গী লৈরাং চারংসি লাইজ ঈশিং কংদনা কংখিংদোংসিবি পাম্মুই।

কলা [arts] গী মরমনা খরদং নৈনঙবা ওইনা ঐনা মথক্তা• শমপংনা হঙ্গংথে। মসিগী মথংদা craft কী মরমদা খজিক্তংদা অমুক হঙ্গংচগে। ইংরাজী লোন্দা 'Craft' হায়বা অসিবুদা Encyclopeadia Britannica দা অস্থম্না তাস্লি—
"......a word confined in English to intelletual power and used as synonym of "art" হায়না। খুদম ওইনা Handicraft, state craft, witch craft...অসিনচিংবা অদুগা Webster's New International Dictionary দনা অসুম্না হায়— "an occuoation, trade, pursuit requiring mannual dexterity or the application of artistic skill" খুদম ওইনা Woodcraft, stagecraft, aircraft, Craft of the playing... ..." অসিনচিংবা।

হাইরিবা মতিনা ভাকপনু "Craft" হায়বসি খরা পাক-চাইরবা থঙবদা অর্থদ খুৎশা-হৈবগী, লৌশিং-জ্ঞান অমুনু খঙদৈ।

খুৎশা-হৈবগী থবক অমদি মাহৌ জ্ঞানগী মতমদা চৈংমীশিংনা কন্নাদগীনু শোন্বা লৈতে হায়বমক হায়ই। অদি অমুক হায়রকনি মণিপুরগী অকোঙবদা লৈরিবা চৈংমীশিং অমিদি মশানা মতুম মিস্ত্রী ওইনা পোক্লকবা মীওই-নি। মখোয়দি মশা-মশাগী অমসি মাগী ইমুংগী হেক চংগদবা পুক্নিঙ মখোয়না মখুৎনা শাবা ঙাক্কনি। মী অয়াম্বনা খঙলিবা অতুমওই — চৈং হাঙবা লম অসিমক্তনু মহৌশানা পিথ্রঙি নঙ্গা শেঙ্গংগী পুখম, ভেঙ্গোৎ, খুডাই, নত্রগা আলমিরা ওরং, উপুলচিংবগী মসিং তাবা কুইত্রিবা লমনি। হাঙ্খিবা লৌকিক কালগী মনো-অপেন মমাম অসি লৈত্রিডৈদা ইমুং অমগী অমুক খুংদাংদা শীজিন্নবা চংত্রবা মাত্রবা পাত্রশিং অতু চৈংমীশিংগীদি মশা-মশানা শামজবা মওংদা উ-বানা শাত্নুনা অতুম শিজিন্নৈ। মাতুগীদমক মখোয়না মীওন্দা তাংলুবগী থাকম লৈশিদে। থোং-থাক্লবা লৈবাক্কা শাবা পাত্রগী মনুংদা মাওগী "উ-বী" কোমগী "বিথিব" তাংখুনগী "হম" চোথেগী "ঙিরুবেন" অতুগা মরিংগী "খঙ"— হায়রিবশিং অসিবু মাদৈ হাঙলানরগসি "লৈবাক্কা শাবা ওাক্কনি" —হাঙবা'সিমথৈতা মঙ্গাই; মাতু মওনা মওংদা মতৌদা, কজবদা তোংঙান-তোঙানবা ওপ চেনবা তোংঙান তোংঙানবা খুৎলেমনি। অহুগা মু থক্লবা

য়ানা শাবা পাত্রগী মহুংদা কবুইগী "হানশাপ" মাওগী "কোওচৈপ্রে" কোমগী "জুহাই" মরিংগী "কেক" চোথেগী "ভোংকাং" অদুগা মোয়োন মোনশাংগী "বলেন" থাদৌগী "জুদোয়া"— কজবদ চাওরাক্লা মাঙ্গে হায়না লৌরবস্থ মখোয়শিং অসিদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী তোংঙান-তোংঙানবা সভ্যতাগী মমি তাদথদি নত্তে।

উনা শাবা য়ু থক্লনবা পাত্রগী মহুংদা কবুইগী "গাং-বোং" কোমগী "রীকক" মওাগী "ওছচৈপ্রে" তাংখুনগী "খোরম" অনালগী "পলীম" চন্না কজবদা মপা লৈত্রবদা হৌজিক কালগী রং ফংগী তোঙানবা কাংলুপকী তোংঙান-তোঙানবা সভ্যতাগী মমি তাদবদি নত্তে।

উনা শাবা য়ু থক্লনবা পাত্রগী মহুংদা কবুইগী "গাংগোং" কোমগী "রীকক" মাওগী ওছচৈপ্রে" তাংখুনগী "খোরম' অনালগী "পলীম" চন্না কজবদা মপা লৈত্রবা হৌজিক কালগী রং-ফংগী খুৎচৈবশিংনস্থ য়োবদা য়াক্কবা খুৎশেম ঙাক্লনি।

অদুগা য়ু হাপ্পনবা উ-না শাবা' পাত্রগী মহুংদস্থ কবুইগী "বু" মাওগী "চীকো" অদুগা য়ানা শাবদনা মাওগী "লিতাই" তাংখুনগী "রাইচুম", মশাইপোং" য়েংবদা ওস্লোক্লা ঙকমিংঙাইনি।

অদুগা থোং-থাকপগী থবক্তা চংত্রবা য়াদবা থাইনগী অরিবা পোৎকী মহুংদা কবুইগী "তেংকু" "তেংশাম" মাওগী "খেভো রিৎচে" "রিউ লিৎচে" মারিংগী "চিক্রু" "অহু" চোথেগী "অহে" "অহে-বান" কোমগী "মখে" "খেৎলৈ"

মোয়োন মোনশাংগী "বিখী", "জেখী" অদুগা থাদোগী "খইহেল", "মেখৈ" লিরবা ষাখলগী মমি তারবা চমপ্রবা মথন-মথেল্লি। অদুগা চান-থরূনবা পো:৭৮ হাপ্পনবা উ-রানা নল্লগা লীনা শাবা পোৎকী মশুংদা মাওগী "উতুখে" কজবগী শীংথাবদা লোইররোইদবা ওক্লবা খুৎশেমনি।

থবক-ইথাং শু-নোম্বদা নোং-চৌং চোত্তনবা শীজিন্নবা পোৎকী মশুংদা কবুইগী "কন্দি", "তেপ", মাওগী ইমে-জহে", "কজ", "ও হে' মরিংগী "কয়শীন", চোথেগী "অশীন", "কাংকলাও" কোমগী "লুখু" মোয়োল নোনশাংগী "লু: খো", "তিতিনি লুখে" — হে জিক কালগী "ছাতিন" অমদি "বড়ছত্তি" খোয়নস্থ পাক নম্বা য়ায়রোইদবা, চাওখৎলবা যুগ অসিগী খুৎহৈবা কয়ানস্থ মখোয়বু হায়া মীয়াইরুবা ওম্মরোয়দোবা শিখ্রবা যুগকী কান্নখ্রবা খুদোল্লি।

অদুগা কি রোমচিংবা ইমুংগী অরু-অহেন থমননবা পোৎকী মশুংদা কবুইগী "খোজাই", "লঙ্", "খুক" "কাবুং" মাওগী "তাখি", "কোর-বুন্নে" কোমগী "রে", "রথী", "জোনহ্রাঙ্গ" মরিংগী "শীলুক", "ফীভারোক" চোথেগী "গাপু" "ফীকক" মোয়োন মোনশাংগী 'থাংথো", "কোরিংঙু" থাদোগী "লেলচা" 'শিনথুপ", "লেলপী" অদুগা ভাংখুনগী "লাংখৈ" অসিনচিংবা অসিমু লিখ্রবা চৌংমী খুৎহৈবশিংগী নোঙ্গনতা নৈরগদবা ওদুখবা মথন-মথেল্লি।

কিশা-সোনশাগী মতাংদসু চংদবা য়াত্রবা খুৎলায়শিংগী মমুংদা কবুইগী "তক্রু" "তম্বেন" "মূঙ্গী", খোং, মাওগী "দোনা", "লোক্রে" মারিংগী "তীম" "তম্বেন" মুঙ্গ", শংখুং কোমগী "য়মুঙ্গ" "মুয়োং" চোথেগী "ত্রিরমা", "তনাশোং", "মূঙ্গ", "চংঙোং" মোয়োল মোনশাংগী "চোমদের", "তুমু" "তলেং" "কীম" থাদোগী "হেলম" হাঙ্গিগ্রিবা খুংলাইশিং অসিন। চমগ্রবা 'পাৎতা অঙকপা কংনা ফজগ্রবা হৌজিক কালগী মেছিন্না ফনা চাওখত্নসু মীনা মাবু কাউবতহিং য়ারগদবা শিলহৈবী চীংমী মুজাশিংগী শিনশংদসু তোপ-তোম্না মগুণ চেন্নবা মখল-মথেনগী খুৎশু খুংলাই ঙাক্তনি।

অদুগা অতৈ অতোম্না ইমুং মমুংগী তোংঙান-তোংঙানবা শিনকমদা চংদবা য়াত্রবা পোৎকী মমুংদনা মরিংগী "পশাঙ্গ" ওয়া "য়াইশা", চোথেগী "য়াইরং", মোয়োল মোনশাংগী "য়েশা" কোমগী "শশেপ" হেংগুম" থাদোগী "গোদাল" য়াইলোন, তাংখুলগী "ওয়ীং, খোংফৈ, শুং খরঙ, শোপকাই, থংশোপ", অনালগী "শিংখো, জখুং অলাল থিংকম", কবুইগী "কৈজং, জং, পাস্তংলু, গৌ, কয়োং, কা, শংখাং, পিহুম" অদুগা মাওগী ফোয়ো, শো-হ্রো, সোজুয়ো, উজা, ওয়ো, মহ্রো ইথৈয়ো, উংথেরে, কোপ-কে, উক্রো, অসিনচিংবা অসিদসু থাইনগী চীংমী খুৎহৈবশিংগী তোপ তোম্না য়াথলগী ফজগ্রবা মমি অম ভাদবা নত্তে।

অতোপ্পা অমনা ইশৈ-লোংমাই শকপদা খোংনবা, মরুগী মতুংদা করুকগী মাবুং, লিম; কোয়গী শেমপুং, শেমজেং মাগাৈ; অদুগা মাওগী উলো-বুয়ে, খিচ মথে— অসিনচিংথ-লিনা তোংথানি-তোংথানবা শৈশক-শৈহেক্তা অপাম্বা ছন্দ হাপ্পুনা শারিংবা তরদা শকপদা মীবু শুরহত্তনিংঙাই লৈখিত্রবা তাথলবা চাহুংই অশৈবশিংগী মথন মথেন মরুনি।

মতৌ অদুম্বা খুংশ্না-হৈবদা, অগোই ইশৈদা অমদি অতৈ অতোপ্পা কলাশিংদা মণিপুরগী অকোয়বদা লৈরিবা চাংমীশিং লিনা, অদৈদগী খোইনা হেন্না শোগবগী রাকম করিস্থ লৈরমদে। অদুবু মতমগী ইচেল, অংঙকপনি! মসিদগীসু হেন্না অমুক্ত ঙকলিবদি হৌজিক কালগী চাওখৎপদা লোইনা য়াওরবা মীশিং' লিবুনি। থাকলেংবমক হৌজিক কালগী মীশিং'সিদি অনৌবতবু পায়নবা, লৌরমতা কক্তরবোই খল্লবা অংঙকপা যুগকী মী হায়ব'-মুমক,ৱৌরবা জাৎনি। রাঙাং হোংলে শৈশক হোংলক্লে, ফিজেৎ চাকচাদসু অঙকপা কংখ্রবা অঙলবা অমা লাক্লে। করি অমুক হায়রুনি হৌজিক অসিদি ইশৈদনা সিনেমাগী, রাঙাংদ ফিজেৎ-চাকচা-কনা বিলাইটি—মাসিনা যুগ অসিগী সভ্যতা ওইরকবনি। মসিগুম্বগী মৈরক অসিদবু করম্বা ইমুংদা থাম্বনগী অগোই ইশৈ ফিজেৎ-লৈতেংলচিংবা ময়াম'সিবু অমুক নৌরোংনা নীশিংবিলবা মী কয়াবু য়ান্না পোৎশবশিংলগে? লাইগী লোংদমদগী হৌজিক অসিদ্দ কবিগুরা হায়দুবা মীখা অসি চৎনদা হেক পোত্রনা—মামল্লী লাইবকতুদি হাক্রা পংক-কলি হায়না থাজদ্রিংঙাইদি লৈত্রবা জাৎনি।

তৌরিব্রা ? মানা মম্মু চপচানা হেক্কমক হৌরম্লবু হৌজিক্, কালগী খিনাইরিং চংলবা কজব-কজবীশিংগী মরক'তদা মানা ওইরগে হায়রা হেক ওইরবগে অ ঐখোয়গী থায়নগী ইরোইং থাজোর অমুবনা শম্বত্রা চংলুদোনা অত্তুম মরিং ময়াক্না মউ-রুথোবা ফাংলি।

মাসিগী মথক্তা হৌজিক কালগী ম ইটৈগে কয়াদগী মুজিন্দক-পা, অওক-অওকপা ইথক-ইপোম মথল-মথা কয়া'মত্তু অমুক লৈরি। পুম্নমক অসিগী মরক্তা চৌংমীগী মথল য়ামথ্রবা থাইনগী কলা-বিদ্যা হায়রবদি অগোই, ইশৈ থুংলা'হেবগী থবক্চিংবশিং অসিগী তুংগী কিতম অসিদি থাক্তেংশেংবমক অমবনি। থায়নগী কজক-কজবা উন, কানা নত্রগা লীনা শাবা ইমুং মসুংগী অপুক -চুংদাংদা শীজিন্নবা পোৎচেশিংসু হৌজিক মশক উশিন্নকত্রে। মাগুগী মতুত্তা শিথ্রায়গী নত্রগা সিলভরগী কোল-লীক লৌরিগী গিলাস অমসুং প্লাস্টিকনা শাবা তোংঙান তোঙানবা মথল মখলগী পোৎথোক্লনা হৌজিক কালগী ইমুংগী লম্লেং ওইনরক্লে। থাইনগী থুংহৈবা মশিং য়ামশিন্নত্রে; অগোই ইশৈ কাউশিল্লকে। ফিবম অসিদবু চৌংমীগী কলা বিদ্যানা হিংখিগদব'সি কনায়নদো ?

মসিবু অত্তুম্মক মুৎথ্রগদ্রা ? অমুক হিংহন্নিঙাই উপায় লৈ-রিগদ্রা ? হিংহনবা তাকগনা কনানা হিংহনগনি ? করম্না হিংহন-গনি ?—মাসিগী পাওখুমদি ইলাই লাইবনি থবকত্তুনি লুলিবদি। মতাং শগিদা ঐনা চৌংমী মচা অমা ওইনা য়াম্না চাউথোক্না হায়জবা

ঙমই। মাস্থদি চীংমীগী কলা মুংপা মুক্তবগী রাকম অসিদি চীংমীগী মখুত্তা পুরা-পুরী লৈরবনি। মসিবু অমুক হিংহনবা তারবসু চীংমীতনা হিংহনবা ঙমগদে বনি। "অদুদি—করম তৌরগা ঙম-গনি? হায়রব'সি মতাং অসিদা হেক্তা হংনিংলদৌবা রাহংনি।

অদুবু মাসি খুমজদ্রিবৈঙদা রা অমতং্গা থেংচহে খিগে? এনা হায়জখিব্রা চীংমীগী কলা মরাথ চায়থরক্রে হায়রব'সিগী মরু ওইবা মরমশিংগী মহুংদা অমদি অতৈ অমত্তনা নত্তে—ঙসিগী চীংমীগী পুক্সি,সিদা করিগুম্বা অশোয়বা অমা লৈরবননি। মতাং ঙসিদা অমুক লূরিবনা শোয়রিব'দুবু কদাইদনো—খুংত্তরা? মিংত্তরা নত্রগা কোক্তরা? হায়ব সিনি। ঙসিগীদমক্তি মাসিগী মরমদা মখা অমুক শাংথনা নৈনজনিংদ্রে—শোয়বদি কদায়দনো অমদি কনা নীংখিনা শোয়রুবা জাৎনি।

অদুগা কলাশিং অসিবু অমুক নীংথিনা হিংহনবগী মতাংদা এখোয়না তৌবা য়াবা তোঙান-তোঙানবা পাদৈশিংগী মহুংদা খাইদগী মরু ওইবা অমদি হৌজিক্কী চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনা থায়নগী ইপা-ইপুগী জগোয়-ইশৈ অমদি অতৈ অতোপ্পা কলাশিংবু অসিবু এখোয় খুদিংমক্তা তশেংনমক সুংশিরবা মখোয়শিং'সিবু এখোয় পূম্নমক্তা অশেংবমমক সুংশিরবা মখোয়শিংসিবু এখোই পূম্নমক্তা য়াম্না পাম্না অমদি লুনা তৌরবতদা চীংমী জগোয় ইশৈ হৈবা অমদি খুংশা হৈবশিংগী অনৌবা রাখল, অনৌবা পাজল অমদি অনৌবা থৌনা শাকদৌবনি; মাংতনা হায়খিব্রা কলাশিং অসিগীসু অনৌবা পুক্সিগী বসন্ত লাকদৌরি।

মণিপুরগী চীং তমদা লৈবা মীগী মগী

নিংথৌজম খেলচন্দ্র সিংহ

মণিপুরগী চীং অমস্তুং তমদা লৈবা মীশিংগী ময়ুমদু লৈনবা, অমস্তুং লৈনরবা। মরী অসি কয়া কুইরবগে হায়বসি অনী অসিগী লৈনরকলিবা। মরী অসি মতম কুইমনখ্রুবা কনানুসু চপ চানা মতম লেপ্না ওমগনি হায়বা থাজদে। চীং তমগী মরী অসি মতম শাংনা লৈমনখ্রুবা কনা কনাগুম্বনা কনাগা কনাগা করি থোকনবগে হায়রসি খঙনদ্রে। অনী অসিগী মরী খঙবা তাবগদি অহানবদা ঐখোয়না চীং অমস্তুং তম হায়বা য়াদে অসিগী অর্থ থিদোকপা তারে। পৃথিবীগী লৈমায় মথক্তগী য়ামনা য়াংনা তোঙনা লৈবা অয়াংবা মফমদু চীং অহুম্না চীং নত্তবা অতেম্বা মফম্দু তম হায়বদি তম্পাক কৌই। মণিপুরগী তম্পাক অসি সমুদ্রগী ঈমায়দগী ফুট ২৬০০ রোম য়াংই অদুগা লৈবাক অসিদা লৈবা চীং খরদি সমুদ্র ঈমায়দগী ফুট লীশিং তরাদগী লীশিং তরা-নিথোই খরা হেন্না য়াংবসু য়াওই। মণিপুরগী অয়াংবা মফম, চীংদা লৈবা মীবু চীংমী অদুগা তমদা লৈবা মীবু তম-মী কৌই। লৈবাক অসিগী তমদা লৈবা মীশিংগী অয়াম্বদি মৈতৈনি। চীংদা লাগা অমস্তুং কুকিনা নম্না তাই। মৈতৈরোন অরিবদা মখোয়বু লোইবী, হেবা হায়নসু খঙনৈ।

চীংবী ভম-মীগী মরী অসি লৈনবা তারবদি হৌজিক ভমদা লৈরিবা মীশিং অসিগী মপা, মপু, মবেমশিং অদু করিগুম্বা চীংদা লৈবা মীগা মরী লৈনখরা নত্রগা করিগুম্বদা মখোয়গী অহল্লবন অদু মতম অমদা চীংদা লৈরম্বা অদুগা হৌজিক চীংদা লৈরিবা মীশিং অসিগী মপা মপু অদু ভমদা ইরৈ লৈরমদবরা, ভমদগী চীংদা লৈখিবা খাওখিবরা হায়বসিদু মতাং অসিদা লৈনম্লা য়েংবা তাই।

অহল্লমম্না হায়নরম্বা, লীরম্বা য়াবী অমদি ইন্নুলা খঙিরম্বা লাইরিক কয়াদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমই—হৌজিক ঐখোয়না মণিপুর লৈবাক অসিগী ইতিহাসদা মরী মখোঙ চুমনা পুখোকপা অমসুং ইথোকপা ঙম্বা নিংথৌশিং অসিগী মথক চহী চা কয়াগী মমাঙদা লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা শাগৈগী অমসুঙ কাঙলুপকী নিংথৌ পানখি। মখোয় অদুদি চকপা, শরাং লৈশাং-খেম, খাবা ঙানবা অসিনচিংবনি। হায়রিবা কাংলুপকী নিংথৌশিংনা লৈবাক অসিদা পাল্লম্বসি নোংদা লাইরেন পাখংবনা পানখিবা মতম অদুগী মমাংদনি হায়বদি খ্রিষ্টনা পোক্ত্রিবৈদগী মমাঙদনি।

নোংদা লাইরেন পাখংবনা খৃঃ ৩৩ দা ইম্ফাল কংলৈদা নিংথৌ ওইখিবগী মমাঙদা কংলৈ অসিদা খাবা কাংবুনা * পাল্লম্মী। পানথোইবী খোঙুল পায়গা খঙই— য়াংঙমলোন পানথোইবীবু লুহোংবা তরমখোইম্নুচাবু পোকপা খাবা শোক-চ্রোনবনা মণিপুরদা পাল্লম্বসি ইম্ফাল কংলৈদনি। মহাকপু "খাবা

* খাবা—শাগৈ, শলাই অমগী মিং

শোকচ্রেংপা কংল্লা নৈপাকমাপা” হায়না হায় ।† কংলৈ নৈপাক মাপা হায়বদি কংলৈপাগী নৈমাবা, নিংথৌ হায়বনি কংলাগী মনাক অকোয়বা অস্নিদা লৈবা মকম কয়াদা হৌজিকসু থাবগী থুমম কংই। ইম্ফালদা লৈরিবা খ্বায়না কোম্বুং অমনবা হায়রগা থওনবা কংলাগী মথা পাংলপ হৌজিক ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শান্নিবা শক্তেনথোং অসি কয়রম্বা মতমদগী শক্তেনথোং কৌখিবনো হায়বদা থাসি অহানবদা থাবগী অঙাংশিংনা শন শেনবা চৎথোক চংশিন তৌবদা খুদোং চানবা হায়তুনা খিকলোয়না অহানবদা থোং অসি শাখি হায়তুনা নৈবাক অসিগী অরিবা লাইরিক অয়াবদা থোং অসিবু থাবা শনশেনথোং কৌই। থাবা শোকচ্রেনবনা কংলাদা পানবা মতমদা মমৌ নুপী পানথোয়বীনা কি শুখিবা মকম্বু কিশূথোং * হায়না থওনখি। পানথোইবীনা নোংপোকপু কোংনা কোংনা য়েংখিবা মকম্বু কোংঙাপাৎ কৌখি। নিংথোজাগী নিংথৌ নোংদা লাইরেন পাখংবগা থেংনখিবা থাবগী নিংথৌগী মমিং থাবা নোংচেনবা কৌই। চকপা খুন্দা খুম্হোক কৌবা লাইরিক অদুদা হায়রিবদি পাখংবনা থাবা নোংচেনবগা যারোংনদুনা লান শোকনবসু থাবনা ঙমলদুনা পাখংবনা মোইরাংদা থৈদুনা নৈখি। পাখংবনা মোইরাংগী লোয়রেন্দা নৈরিদৈঙেদা মুংয়াং চাউবগা তাংকরুমলুমমিরবগা মচা নিপা অনী পোকখি। পাখংবগী মচা মুংয়াং চাউবনা কোয়ৌ অথোং চসু য়াংবনা অরাইনৈমা লৌখি। পাখংবনা মোইরাংদগী লান হৌরকতুনা থাবা নোংচেন-

---

† পানথোইবী খোঙ্গুল লা ৩২

খগা লান্না শোকিনবদা মরাইখক থিন্দুনা খাবা নোংচেনবনু কেগে মোইরাং চাউবা মেম্লেপা সাপোন শানৌবনা ভেমা কাপথুনা হাংখি। মতাং অসি চকপা খুন্দা খুম্ভোক্তা অস্নুমনা হৈ—

"খাবা নোংচেনপপুতি কেগে মোইরাং চাউপা মেম্লেপা সাপোন সানৌপানা লীরী থম্মোইতিং লকা তেনমৈ লাকনা খায়রা তেন্থ্রা অমদা নোংমনহল্লে। খাপা লৈখোঙ কায়রে, য়াংপা মুখৈ ফংনা তুমহল্লপতা খাপা মরূপ অমতি অম্লৈপা থম্লৈরোমপতা চেনচিনখিরে। খাপা মরূপ অমতি আংখুন, মচিপপু ওইখিরে। খাপা মরূপ অমতি নোংচুপলম চেনখিত্নুনা কপুই সুংনাং ওইখিরে। খাপা মচেৎ অমতি মথারমক্তা চেনখিতুনা মহো লোনভাই ওইখিরে × × × × × খাপা নোংঙানপতি লাইয়িংথৌকী* কানখোঙতা চেনচিনহুনা কনপিরে।"

মতৌ অসুম তৌনা খাবা নোংচেনবনা লান্দা মায়থীববদা খাবগী লৈবাক-কাংখোং চাইবমখৈ কায়রকুনা খাবা থরনা কবুই

---

†কিশুখোং—কংলাগী মনত্তা লৈবা খোংলম তরেৎকী মখুংদা অমনি। খোংলম তরেৎ অস্তুগী মমিং—১। থাংখোং ২। লাইখোং ৩। মরোংখোং ৪। লিলহাখোং ৫। কিশুখোং ৬। চরোংখোং অমসুং ৭। মাঙ্গীখোং।

*লাইয়িংথৌ—লৈতৈত নিংথৌ, নোংদা লাইরেন পাখংবা। নোংদা লাইরেন পাখংবগী থৌহুনা তুরী চরাইরোংবা কাওয়া লৈতৈত নিংথৌশিং অসিবু লাইয়িংথৌ কৌনরম্বদগী লৈদিংঙ্ পম্বিকনিবাক লনা হাত্তগা শকাব ১৩৪৩ তগী মিংথেম্বু লাইয়িংথৌ হায়বগী মহুত্তা মহারাজ হায়না চৎনখি।

মুংনা ওইদ্রে, খল্লা তাংখুল ওইদ্রে, খল্লা মহৌ লোত্তাই ওইদ্রে, খল্লা অঙোমদা চঙদ্রে অহুগা খাবা নোংঙাননবনা নোংদা লাইরেন পাখংবদা চঙজখি। খাবগা নোংদা লাইরেন পাখংবগা মুংঙাইনদে, য়েক্লবনি হায়বসি পাখ বা লাইহুইদনু ইরি। খাবগী লৈপাক কায়হনা খাবা কল্লা কবুই তাংখুম্রচিংবা ওইখি হায়বসি মসিদগী খঙবা ঙম্মি।

লৈবাক অসিদা খাবনা পাত্রিউঙদা শল্লাং লৈশাংথেমনা পানখি। চকপা খুন্দা খুঙ্গোকতা হায়ব্রিবদি খুম্নুং চকতা শল্লাং লৈশাংথেমনা পানখি। লৈথক লৈখায়োন, পুদিন অমদি লৈশাং-থেম লোন পারগা খঙবদি শল্লাং লৈশাংথেমগী মবুখৌ নূঙেঙ্গী মুমথংবগী ময়াম্বা লমলেকশাংনা চীংদা কাহুনা (কবুই) চীংমী ওইখি। অস্তুম ভোম্থনা মৈতৈগা চীংমীগা অনী অসি মচীন মনাউ ওইমিন্নবা অমসুঙ পু অমত্তগী মচা মশু ওইনখিবগী খুদম য়ামনা লৈ।

মথাক্তা লমলেকশাং অমসুং নুঙেঙৌ য়ুমথংবা অনীগী হৌরক-কম খঙনবা ইব্বি।

লিরি লৈমা
|
খুম খুম নিংথৌ
(খুম খুম লৈমা)
|
রান
(শিলপী লৈমা লৈতং নিংথৌ চনু)
|
নিংথৌ কাংবা কাংখল
(লৈমা ঙারি)
|
থারোং
(হৈনু লৈমা)
|
লমলেকশাং — নুঙেঙৌ য়ুমথংবা (লৈশাংখেম

লমলেকশাংনা চৈংদা কাহ্নবা চৈংমী ওইখি হায়রিবসি করি জাংনো হায়বদু অমুক খল্লবা য়েংলসি। মৈতৈ লোন্দদি চৈংমী হায়রগা কবুই, তাংখুল, মরিং, খোংজাই অনালনচিংবা চৈংদা তাবা মী অয়াম্বা খঙনৈ। করম্বা কাঙলুপ ওইখিবনো হায়না য়েংবা তারবদি লাইরিক থরদদি কবুই ওইখি হায়না ই। লমলেকশাংনা ওইখিবসি কবুইনি হায়বসি মোইরাং নিংথৌরোল লম্বুবদা ইরিবা মথাগী অসিনন্ত খঙ্গনি।

"পুরিকলাই লমপুই লান্থবা ইবাং লাইকাচেং অতেংবা থায়াঙ মথৌমদি অমসুঙ মতোমদে। হাওরৈ নোংচুপলা পাংবরমদা খৌ শাবনে। লোনলৈ মদাইমা তোনবা নামকেং তৌরেনথোক্লা চীংদা কানা পাম য়ানবা লমলেকশাংনা হাও ওইবা মথুরোন লোইবী খুরৈ মপুংয়ায়দা লান্দাখিয়ে। কেগে মথিনাই ইবাং মরাঙ হৌ লোইবী মচীং কানা পন্থেংলবদি শোংপু পামতায়রে খুরৈ য়াকা চাইরে। পুরিকলাই থিংকু মথিনাই ইবাং মরাং হৌনা খোশারে। হয়েন লামিগীদি লোইবী খুরৈ মনিংথৌ কাওরেন শনমিংনবা হয়েন লমশনবু অথৌববু কাইনা হল্লে হায়দবরা? নত্তু নিংথৌকপুই খুরৈ লান্থবা ইবাং লাইকাচেং অতেংবদি চোয়নৌ সনা মিংছনগীবু চুনবরে।"

মোইরাং নিংথৌরোন লম্বুবদা ময়েক শেংনা ইরে—মোইরাং নিংথৌ ইবাং লাইফাচোংনা নোংচুপ মায়গৈদা লান্দাহুনা চীংদা কানা পাময়ানবা লমলেকশাংগী চীংমী ওইবগী মরম লোইবী খুরৈ মনিংথৌ লমশনপু অথৌববু ঙমখি হায়দুনা মহাকপু কবুই খুরৈ লান্থবা হায়বা মিং অসি কৌনখি। অহনদি মোইরাং নিংথৌরেন লম্বুবদগী অমুক্কা ময়েক লানা থঙলে লমলেকশাংনা ওইখিবসি কবুইনি। অহনা কবুইগা মৈতৈ (লৈশাংথেম) গা পোকমিন্নবা মচীন মনাউ অমসুঙ পু—(মপু) অমত্তগী মচা মশুনি; থাবা নোংচেনবগী লান্দগী মৈতৈ (থাবা শলাইগী মী) কয়ামরু কবুই ওইখি।

খুমন কংলৈগোন, খুমলোয়চিংবা লাইহৃক্ক কয়া পারগা খুমন নিংথৌ মচা কয়া অমসু চীংমী ওইখিবগী রাজ্যী খেংনৈ। সুরাং নিংথৌ পুনশিবনা খয়োয়রোন ভাগুখুমবী পারক্লুনা শেনবা মিযাবা পোকই। শেনবা মিযাবনা মাগী মমাগা পোকমিয়বা মামা খুমন নিংথৌ পুনশি মুমোইবগী মহুৱা খুমন্দা নিংথৌ ওইহুনা পানখি। শেনবা মিযাবগী মচানিপা অঙোম অহু মরিং ওইখি। খুমন নিংথৌ খিংগোল লীকমাবনা মোইরুমলোন* মুংবীলৈমা পাযক্লুনা পোকপা, খমলাংবা, নিংথৌখোং অমসুং মাইখিংবা কৌবা মচা নিপা মরি পোকখি। খিংগোল লীকমাবগী মচা খমলাংবনা চীংদা লৈখি মহাকনা খাম্লিংবা পোকই, খাম্লিংবা অসি চীংমী ওইখি।

হৌজিক তমদা লৈবা তমগী মীশিংগী য়েক শলাই লৈবগুমনা মণিপুরগী চীংমী কবুই, মরিং তাংখুলচিংবা চীংমী কাংলুপশিং অসিগু মখোয়গী মনুংদা য়েক শলাই লৈ মাহুদি :—

মৈতৈ	কবুই	মরিং
নিংথৌজা	কামৈ	ত্রঙঙা (Trangnga)
খুমন	পোলমৈ	
অঙোম	পাংমৈ	
লুরাং	লোংমৈ।	

অসিনচিংবা——

হৌজিক তমদা লৈরিবা মী কনা কনাগুম্বগী অহল লম্মন কয়া—অমা কৌজ্র, খাংজাং, কুনানচীং অসিনচিংবা—চীংদা

* [illegible]

লৈরবগী খুদম কংই। হৌজিক্তগী চহী লীশীং অমা চাতরুক চাতরেৎকী মমাগু অহৱাইদা হৌজিক মোইৱাং অনৌবা মেক ওইরিবা মুমনাকী মবুখৌশিংনা কৌক্রুদা অহুগা শেল্লোয় লংমাইনা নোংমাইজিং চীংদা লৈরম্মী হায়বসি তুতেংলোন অমস্থং নাও- থিংথোং কম্বাল কাবা পারগা খঙবা ঙম্মি। মখোয়শিং অসি কংলৈদা পানবা মৈতৈ নিংথৌগা চারৌ মোরে নৈ। তুতেংলোন কৌবা লাইরিক অদু পারগা খঙবদি ইম্ফাল কংলৈদা পানখিবা মৈতৈ নিংথেং খুয়োই তোম্পোকনা (খৃঃ ১৫৪—২৬৪) নোং- বাল্লোন অহোঙবী পান্নদুনা য়োয়মোংবনে তাউথিংমাংনে (খৃঃ ২৬৪—৩৬৪) লৈমা লাইরোক লেম্বীনে মচা অহুম পোকই। য়োয়মোংবা তাউথিংমাংগী মচন মুপী লৈমা লাইরোক লেম্বী অসি কৌক্রুগী নিংথৌ কৌমা অঙাংঙাদা ওঙিঙ।

হৌজিক্তগী চহী ১৬০০ লোমগী মমাঙদা মণিপুদ্ধদা ঈশিং ঈচাউ অমা থোকখি মাত্নুদা ইম্ফাল অমস্থঙ মনাক্তা লৈরা লম পুন্নমক থুমখিবগী রারী তুংতেলোন পারগা খঙিঙ।

"কোরৌ থাক্তুম থাক রাংবন লাউত্নম লাউনা নোংলেন মখোঙ ক্ষুয়না চুখরক্লবগী লাইজা ঈনা ঙমলকলে। কোঙয়াং রাতোন অরাংবস্থঙ চীংলেন পল্লংলা অরাংবস্থঙ থুমলবদা লাইরেন মচীন মনাউদি তোংনা য়াম্নফমবু লৈত্তরে। [illegible] লাইনা পাংবরম মিৎয়েং শানখৈখিববু অরাং মোংবী চীংতাইরেমবু থুমদবনিগীনা লাইরেন ঙাংঙোই য়োয়মোংবদি লেমলৈ ঙানা তাউবগুম নোংখৎখিরে—

লাইরেন মচীন মনাউদি মোংবী চীংতাইরেমখু য়ৌরবদা কৌবা অঙাংঙাগা মমোম লাইরোক লেমবীগা লমওক্নরে। কৌবা অঙাংঙানা লাইরেন ঙাংঙোই য়োয়মোংবখু—খুজেং হংজি পায়না চিংখৎলম্মে।"

ভুভেংলোন

ইস্কালগী মনাক্তা লৈবা চীং কাওবা খুমলবদা য়োয়মোংবগা ভাউথিংমাংগা মচীন মনাও অনীনা কৌক্রু তান্না চৎখিদা—মচন সুপী লৌবা মশেন নিপা কৌবা অঙাংঙানা য়োয়মোংবগী মথুৎ পায়দুনা চিংখৎলি হায়রি। কৌক্রুগী নিংথৌ কৌবা অঙাংঙা অসি মোইরাং অনৌবা য়েক ওইবা য়ুমনাক্কী মবুথৌনি। কৌক্রুগী নিংথৌ কৌবা অঙাংঙা অমস্নুঙ লৈমা লাইরোক লেমবীগী মচা সুপী কৌবরেন নামোইসুবু লুরাং পামিংনবগী মচা পোমবী লুরাওবনা লৌদুনা হোংনেম লুরাং নিংথৌ পুনশিবা পোকই। লুরাং নিংথৌ পুন্সিবনা পাল্লমবদি লুরাং মকুবী চীংদনি। খুমন নিংথৌ পুনশি খুমোইবনা মচাসুপী লৌবা মমহাক হোঙনেম য়োয়খুঙ্গাওদা লুরাং নিংথৌ পুন্সিবগী লৈফম তাকপদা ইরি—

"নমায় অরাং লাইনা পা বরমদা কৌবা লোকলুখুমবু নাতৈননা য়েনবঙ্ হাইবঙ্ পোকপা চীং পুংফাই তোনয়াম পানবা চীংবু ঙমলোয়না নয়ু হোঙনেম লুরাং নিংথৌ পুন্সিবা সুংবান শাকৎ চীং, লুরাং লাংহৈ চীং, মোংবা য়িনজাউমান য়াঙলা হতুপ পোক শঙদিং লোনকৌ চীং সুংবান মকুবী চীংদা রাঙনবখু লৈবনে।"

নাউথিংখোং ফমবান কাবা লাঃ ৬২

লুরাং নিংথৌ পুনসিবা হায়রবসি হৌজিক তম্পাক্তা লৈরিবা লুরাং য়েক ওইবা য়ুমনাক অয়ামবগী লাইগুরনি।

চীং তম অনী অসিদা লৈবা মীশিংগী মরী অসি তঙন থানবা য়ানদনা থায়না নীংশিংবা থোকনদ্রবা মতমদগী হৌহনা য়ামনা নকনবা মরী লৈনয়কইবনি। চীংগী লুচিংবা ময়ামনচিংহুনা চক্কী চহীগী ওইনা মমাংহৈঙদা সনা কোহুংদা য়েরা থাদা অচৌবা কুমৈ হৌহুনা চীংগা তমগা চায় চিন্নরা লৈমিন্নৈ হায়রবা ফোংদোকই। মাহবু য়েরা হাওজোংবা হায়রগা থঙই। মতম অদুদা মণিপুরগী লম নিংথি ভুরেল য়াংমদা নোংপোকলোমদা হুমিৎ কুমনি মরিনি ফাওবা শন্দোকলম্মিবা অসি চীংমী অমস্থুং তমমী অনীনা পুবচেল থোয়জেল তিন্নরা লৈরমমবনি।

মণিপুর চীং তমগী সংস্কৃতিক মরী

ডাক্তর মনিমহন সিংহ

হিন্দুস্থান অমসুং বর্ম্মা, দেশ অনিগী সিমানাগী ময়াইদা চীং তমগী অপোকপী মণিপুরনা ঙসি পিকতরক্লা লৈবা উরগা পুক্নিং মুঙ-ওল্লি। মণিপুর কুইরবা লিরবা থাম্নলগী লৈবাকশিংগী মহুংদা অথরনা লিয়রবা পৃথিবীগী লৈবাকশিংগী মহুংদা অমনি। চুরতা লিজরবা লৈবাক নংতে, মমিং চৎনা পাজরকপা লৈবাক্নি। চীংমৈ মী, পোং লুপ পুন্নমকসি থাম্নদগী মহাক্ক শাগোম্মজরকপা মচাশিংনি মহাক্কী খোমলাংনা হিংলকপা কাংলুপ ঙাক্তনি। নোংপোক নোংচুপ কল্লক মিহৌরকপা লৈবাকনি। মপাম্না নোংপোকথংবা হিমালয়গী শরুক্তনি। ঐখোয়গী মুঙঙায় য়াইফবা মীনা কল্লকলমই, ঐখোয়গী য়ুস্বাল কৈবাল, লিচৎ শাজং থকশি—খাশি নাইনা চৎনবা লমচৎ ঙসি ফাওবা মীনা তম্নিংঙাই ওইরি। থাম্নদি অথাপ অথাম্না মফমদসু ঐখোয়গী লৈবাক্কী চাওখৎপগী মমি তারম্মী, ঐখোয়বু অথরবা মীনা থংনরম্মী ব্রহ্মপুত্র তুরেলনা নোংচুপ্কী ঙমথৈ ওইরগা নোংপোক পাকতক ইন্না সমত্রু শোল্লা পাকচাওরবা লমদমগী সভ্যতাগী ময়োলনা ঐখোয়গী লৈবাক্লা ওইরম্মি। ঐখোয়গী অরিবা কলচরগী মচাক্লা মরল মথুম্না হেরামণি মতুমনা লৈসুংদা লোত্তুনা লৈবঙুম নোংপোক এশিয়াগী মফম কয়ামুক্তা লৈরগা মহাক্কী অরিবা মচাক খোয়দাজবা মীওইশিংনা থিরুবদা থেংনহল্লি, অমসুং

মখোয়বু শুমহৎলি। থিরু থিরুবা মহাক মহাকপু উহল্লি, শংহল্লি। "পুঙ মরোল-লৈমরোল" ওসিগী চীংবুরোই-তম্বুরোই চা অনিগী অপোকপী মালেম লৈমগী মিংনি। পৃথিবীদা মীওইবা কাংলুপ শন্দোকখিবা সম্নচীং (হিমালয়) গী চীংশাংনি, লাইনা লৈ হায়রিবা লৈবাক্লি, লাইরৈবাক্লি লাইনিংথৌ সলাইলেনগী লৈবাক্লি। টিবৎ দেশকী সানপো তুরেলনা হিমালয়গী অইংবা মথৈ লোকলগা, মালেমগী খুয়া শোক্লা থৌগল্লমলগা, ব্রহ্মপুত্র কোল্লোয়ননা হিন্দ মহাসাগরদা তাবনি। খাগীগী তুরেলশিংনা থেক্লা খোইনা চেনবস্থ লৈমরেল ইমাগী মতিরুনি। চিনদুন (চিন+তুই) ইরাবতি (ঈরা+তুই) ঐখোয়না খোনবীবা মমিং। তুরেল মরিল অশাংবা চীংবু তম্বুরোই চাগী মাবা ইনিল খোম্থোক পাংচেনজবনি। খাগী খামন তুনা চেল্লিবা মৈকোং তুরেল মরু য়োরখা কাংলুপনি। পাকলিংউদা পোইরৈ সম্না পাকপনি পিকলগনা মরোলনি, মণিপুর সম্না লৈবাক্লি, চীংবুরোই, মী পোং মহাকী মশাইকোন্দা চাওবনি।

মতমগী ইচেলদা ঈরুপপা, ঈরাক্রবা, তাইকং মীনি, মাগা কোন্নবা সমাজনি। চাওখৎলম্বা কাংলুপ্পা অমুক লৈথা খেংনা ঈরুপপা শিংথানরমদবা কয়ানা অমুক চাওখৎলকপা ময়েকনি। ঐখোয়না লৈথা 'পক্লা তারিউ, চীংবু তম্বুরোই চানা নিংতাইদনা লৈরিউ' ওরাংদা খৃষ্টগী তুং চহি ১০০ দগী ১১০০ ফাওবগী মনুংদা লৈতা খুন্দাখিবা বর্ণিকশিংদা শাইদাংবনিস্থ হায়বীরে, মীনম্বা মাবা মথৈ মীনমলগা মুৎথৎপা মাররোইদবা থাইনগী ঐখোয়গী পারম

পুরমগী চৎনবীগী ফজবদু উরগা, মহাদেশ চিন মঙ্গোলিয়াদগী ভমলকপনিস্ত হায়বিরে, অবাং ভারত অপুম্বা সমুদ্রগী ঈরোনস্তুংদা লুপ্ত্না লৈরিঙৌদা ইপা ইপুন সগোল কাংজৈ শাম্নদুনা থম থেংনা নুংঙাই-য়াইফবগী থাক য়োরম্নবা ঐখোয়বু ভরাংতা হিন্দুস্থান্দা খুন্দাখিবা আর্য্যগী মচা মগুনিস্ত হায়বিরে। ঐখোয়গী অমতস্তু খ্যাকপিদরে, ঐখোয়বু মীনা নমহংখবে, মীনা শকথং মাইথ'লক্তরে, ঐখোয়সি লৈখ্যা তাবা হায়বদু থেংলে। হিমালয় সম্নচীংদস্ত তেম-ত্নরি, মখান শ্যাফুং-খেবু চীংস্ত মাংদ্রি মকুইলোংদি চীংশাগা মরাম খুমেনগস্তু পক্লরি, অঙ্গো চীংস্ত লেংদবি কৌক্র [লাগং ফপৈ] থাংজিং লাইমতোল্ল কৌরুংবা [নপশিন মৈ], লাংমৈ চীং হৈবোক, চীংশাংদা লাইগী খুরমস্তু মুৎতরি, চকপি ইম্ফাল-তুরেল মরিলস্ত খুন্দরি, চীংগী ইয়াম্বরী ঈশৃংগী খোম্লোকস্ত হোংদরি, তম্পাক্তা ওগ্রি মখোনস্তু মঙ্গাদ্রি, কুনানা চীংবুরোই তম্বুরোই চাবু মীরৈবাকচা, মীথুনচা, খুম্নানচানি হায়বগী মতিক লৈবগে? খুল হোংদোক হোংজিল্ তোল্লু, হায়বসি আর্যাদগী মনাৎ নত্তে মীওইবা কাংলুপ পুরমক্তীনি, খুংশ্বিবা মাইথিবা অরাবা নংলগা থর তোয়না মহোংনৈ, ঐখোয়স্তু ঐরোল্লগী লৈবাক্তী মন্নুংদা মফম অমদগী অমদা হোংলকই মচৎনরকই, মীগী মীরমদা চাক্তারুদবনা মীরম খোইদারুদবনা মী কনানস্তু ঐখোয়বু খুনচৎ-খুনবোইচা (Barbarians) নি হায়বদি হায়বিদে। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইনাৎ থাদোক্তনা খুল হোংলকই, লাইগী খুরোমক্তী ঐখোয়গা ভিম্নলা লৈমিন্নরক্লবা পোস্বি-চেকলা উচেকশিংগা ঐখোয়গা ওসি ফাওবা থাদোক্লত্রি। শারম ভারম

খংনা ঐখোয়গা হিংমিন্নখি। মহৌশা প্রকৃতিনা ঐখোয়বু খায়-দোকপা ওমদখি।

ঐখোয়না মিকুপ অমতংগী মতমদং নত্তবা রাখলনা ইমা লৈবাকপু শেন্নান্নবা খল্লবদা, ইমাবু হেক মীয়াইরুবদা, ঐখোয়দি তাইবংমীনিনা খোশাদহুনা লৈথোকপা য়াই, তৌইগুবস্থুং অসিগুম্বা অবানবা রাখল খনখিবা মিংকুপ অদুনা মতম ওন্নকই, মতম অদুনা ইতিহাস ওন্নকই ঐখোয়না ইতিহাসপু খোশাত্রবা মতমবু থোওই-রবা : তমবু থেওইরবা মতমদু উৎশিন্নবদা ঐ, ঐখোয়গী জাতি অদুগী পুম্নিদা করি দণ্ডি কংগদগে? লৈখা তাবনি, মীনাই ওইবনি, র খল শেংনত্তবনি ঙাওরকপনি। জর্মনি পণ্ডিত মাক্স মুল্লারনা তাকপিরম্মি—করিগুম্বা পৃথিবী পুম্বা ঈশিং ঙাক্তনা থুমডুনা লৈবন্নবদি হিমালয়না অহানবা কংকাল ওইফম থোকই, তাইবং মী হায়বসি কংকালদা লৈবা জীবনিনা হিমালয়না অহানবা মীগী লৈফমনি। ফ্রান্সকী পণ্ডিত মারসেল গ্রানেটনা চাইনিজ-শিংগী সভ্যতা নৈনরকপদা "Chinese Civilisation" কৌবা লাইরিক্তা চাইনিজশিং অসি ঐখোয়গী অসোমদগীনি হায়না থূদোনবীনা থিন্দুনা তাকপা পণ্ডিত অমগী মত পীরি। চাইনিজশিং অসি নোংচুপ এশিয়াগী পালমির চীং কাওহুনা লাকপা নত্তে বর্মদেশকী ভামো, মোমিন, টালিফু অমস্থুং টোং-চিং পাৎ কাওহুনা ওসিগী চাইনাদা খুন্নাখিবনি।

"P. Weiger put forward the idea that the Chinese did not, as had been belived from the

west, scaling the Palmir on their way, but that, coming from what is to day Burma, they came into China by the south west' following the route of which the modern stages are Bhamo, Momein Ta Li-Fu, and the lake Tong-Ting" অমুকতু মহম্মদন পণ্ডিত Ahmed Hassen Dani না যাগী "Pre-History PROTO HISTORY OF EASTERN INDIA" কৌবা এন্থ্রোপোলোজিগী লাইরিক্তা থাইনগী অরিবা মুংগী মুংকী মীনা শিজিন্নরম্বা খুংগু-খুংলাই থিজনবদা অমসুং কাছার চৌংদা কংবগা অমসুং বর্মাদা ফংবগা অনি অসি লেপ্নদে, অনিমক অসি মণিপুরদা মরি লৈনহল্লম্বনি হায়রি। অসিদগী নংতনা সডিয়া জোনদা কংবা থাইনগী খুংগু খুংলায়গা চিনগী য়ুনান প্রদেশতা কংবগা অনি অসিন্থু য়াম্না মাইয়ে হায়রি। হৌজিকমক সডিয়া জোনগী মিশমি হিলসতা লৈরিবা লেংগী ত্রাইবকী লোল কষ্টম ঐখোয়গী চৌংবুরোই-তম্বুরোই লোল অমসুং চৎনবীগা য়াম্না নক্লরি। মখোয়গী নুমিৎপু ই+নি কৌই, থাবুনা ই+লা কৌই ঈশিংবুনা মা+শিং কৌই। মশিং থিবদগী ঐখোয়গা অয়াম্বা মাইয়ে। মরমশিং অসিনা শেংনা ঐখোয়বু তাকলি মদুদি অমসুং বর্মা, চিনগী য়ুনান, শিকিয়াং (সোং+কাংমুংডৌগী লম) অমসুং নোংপোক এসিয়াগী মকম অয়াম্বদা ঐখোয়গী কাংলুপকী কলচর য়োরম্মি, ঐখোয়গী মী থরগী মখোয়গা তিনশিন্নখরে হায়বসি। ভসি থাগী-চাইনাগী থাইনগী সভ্যতা অমসুং মখোয়গী ঈ কদোমদগীনো থিনবদা

ঙাওনরি। ঐখোয়গী ঈরম চীংতমদা থাইনগী অহল-লম্মগ্না চৎলম্বা চংনবী কাইদনা থাইনদগী খুক্ষম-কৈকম নাইদুনা, কুইনা লৈতা-রক্লবা ঐখোয়না মশাগী অরেপ্পা মফম খংগদুনা লৈম্বিবা খাগী কাংলুপকী পারম পুরম শাইদাংবা কাংলুপনি হায়বসি লৈবাক মচা তানা মহৈ মশিং তমলুবা কাংবুগী রা ওইফম থোক্তে। মৈহৌরোল-ইতিহাস সংস্কৃতি অমস্তুং কলচর মাংহনবা হায়বস্থু থোকই। ঐখোয়বুদি অহল লম্মগ্না মীখুন চানি হায়না তম্বিরমদে ঐখোয়গী হৌফম শাৎফম অতৈদগীনি হায়নস্থু তম্বিরমদে, মখোয়না ঐখোয়বু তাকপিরম্মি চীংবুরোইনা অহলনি, মনাওনা তম্বুরোই-শিংনি, ঐখোয় অনিগী লৈফমনা চীং অমস্তুং তমনি হায়না।

ঐখোয়গী লৈবাক থায়নদগী মীরৈবাক্লা কল্লকলকপা লৈবাক্নি। নোংপোক নোংচুপ অনিনা কল্লকলকই। কল্লকপগা মীহৌবগা তিন্নরগা লাল শিংনবা ওল্লকই। ঐখোয়না অনিমকপু থৌনা ফনা থেংনরকই, শাথেং হাকথে ননা লালগী মাইয়োক য়ারকই। ঐখোয়গী পারম পুরমদগী ঐখোয়গী ঈদা য়াওদুনা লাকলবা সভ্যতা কলচরগী মপাঙ্গল শিজিন্নদুনা য়েক্লবশিংদগী কলহৌদুনা ঙসি ঐখোয় হিংলিবনি নোংচুপ্তগী হিন্দুশিংনা ঐখোয়গী সভ্যতা কল্লকলকই, করিনা অহেনবদগী হেন্নিংবা মীওইবগী মনাৎ ওই-বনিনা। চুম্নদা কল্লক মিহৌরম্বা নত্তে, সান্তিদাস মহাপুরুষ থাজিন্দুনা ঐখোয়গী অরৈবমখৈ মৈ থাদোকতুনা মাংহন্নবা হোৎন-রম্মী। নোংপোক বর্ম্মিজশিংনা কয়া অমুক কল্লকলমই, চীং-তমগী মরা অপিকপবু য়ুম থোং লোনশিন্দুনা থমলগা মনুংদা মোয়োক

মৈ থাদুন' হাৎখি। অসুক ফত্রবা তমখিরবা পুকচেল চেন্নবা নোংপোক নোংচুপনা ঐখোয়গী লৈজবা মখৈ মাংহন্নবা হোৎনরম্মি-খসি করিগীনো ? ঐখোয়না মখোয়দগী হেনবা গুণ কয়ামরুম চেন্নকই, অতুগুম্বা মগুণশিং অতু লৈনদি ঐখোয়বু, মখোয়না লাকচবা ঙমকম থোক্তবনি। লানফমদা য়েংলুরে ঐখোয়গী অমগা বর্ম্মাগী তয়াগা লম্বানি, সোশিং পাঙ্গল থৌনা লমচৎ শাজৎতা য়েংলুরে মীঙোন্দগী ঐখোয়না মহেন্নকই। করিনা হেন্নিবনো ? ঐখোয়গী কলচরগী মপাঙ্গলতনা হেনবনি। নোংচুপ মচাশিং য়েংলুরে, ঐখোয়গী নোক্লফমনি, ঐখোয়না মীওইনা থানরম্বা তাইবং মী নত্তে। অসিদসু সান্তিদাসনা অয়োবী থারগা পুয়া মৈ থাদোক্তবা য়ারিবরা ? বর্ম্মানা অঙাং হাৎতবা য়ারিবরা ? অহেনবগা শোক্নব হায়বসি তাইবং ঐখোয়গীদি ইনাৎনি। ঐখোয়বু মাংননবা হোৎনরকপসি অমুক অনিরক্তা নত্তে মশিং য়ামগ্রে। ঐখোয়গী কলচরগী পাঙ্গলগী মথক্তা মতমগী থৌজালনা ঐখোয়গী ইতেং পাংখিবসু য়াওখি, ইউরোপ মচানা এসিয়াদা লান্দারকপদগীসু ঐখোয়গী কান্নবা কয়ামরুম ফংখি। ঐখোয়গী লৈবাক্তা নৈনরম্বা রাজনৈতিক অমসুং ধর্ম্মগী সম্রাজবাদি এসিয়ান মচা পুন্নমক ইউরোপকী সম্রাজবাদিশিংগা লাল থেংনখিবদগী ঐখোয়না ধর্ম্মগী কলচরগী অমসুং রাজনৈতিকী মরিদা ইশাগী ওইনা থম্ভজহৌবা অমসুং হিংহৌবা ঙমহৌই।

লৈবাক অসিগী কোন্নুং তম্পাক্তা য়েলহৌঙৈদগী ওইরকপা অনৌ অনৌবা পোৎ অমসুং রাখলগী মমি তম্পাক্তা পুশিন্নকই।

তম্পাক্কী মায়কৈ মরি শুংদাই মরিগী মীশু থাইনদগী তম্পাক্তা পুশিল্লকপনি লৈতা খুন্দারকপনি। ঐখোয়গী মী কাংলুপ খুদিংগী কলচরসু লোলসু তম্পাক্তা পুনশিল্লকই। অসিগীসু মথক্তা মপানগী হিন্দু, বৌদ্ধ মুসলমান, খৃষ্টানগী মমিসু তম্পাক্তা অহানবদা তারকই। চীংবুরোইশিংদা নত্তনা মপানগী কবো, বর্মিজ অমসুং ময়াং (বাংয়াং) কয়ামরুমসু তম্পাক্কী ওসিগী মীশিং অসিগা তিনশিন্নখ্রে। তমপাক্কী ময়াম্না পুনশিল্লগা ওইরকপা শকফম অদুবু উবদা চীংগী ইয়াম্বশিংগী থম্মোয়দা মৈতৈ অসি অতোপ্পা ওইগ্রবোই খল্লকই, ময়ামদগী থাগোকখ্রে, হায়না মপানগী শক্তম অদু উরগা খল্লকই, তশেংবদি মত্তমক্তি নত্তে। মীগা মনাওশিংগা মুকনা শান্নবদা মনাওবু থাহল্লিংবদগী মপুক্লিং সুংশিবদগী ইয়াম্বনা ওইনজবনি। মীনা মপাঙ্গল কনবসু নত্তে। ঐখোয়না হেন্না কল্লিবনি, হেন্না মীনা শিংখিবসু নত্তে ঐখোয়না হেন্না শিংলকপনি মরুপসু ঐখোয়না থারিবনি। করিনা চীংবুরোইশিংনা মাগী মাগী ঈ, ঈয়েক শাগৈ কাংলুপ মুৎতনবা থায়নগী কষ্টমবু ট্রেডিসন্না শাগোম্না লৈবত্তুম ঐখোয়গী তমপাক্তসু ঐখোয়না থাজনরিবা লায়না মী শেম্বা মতম, থাইনদগী হৌদুনা হৌজিক ফাওবদা মৈতৈগী ঈ অসি মাংদনবা মাগী মাগী শাগৈ, সলাই মুত্তনা থমলি। খাগেম্বা হাক্তক্তা চংলকপা মুসলিম ভাইশিংগী মহম্মদন কলচর মৈতৈ তমপাক্তা লৌশিল্লুবা নত্তে, মনা মশিং থারবদি মুসলিম ভাইশিংগা লোইনরকপা মীওইবগী কান্নরবা লৈবাক্কী লৈহাও খংনা পোৎ চৈ থাবদি অহুম মচুপশনবসি

ময়েক্কা মড়াজখিবনি। হিন্দুনা ঐখোয়গী লৈবাক্তা হেক লাকপগা ঐখোয়না হিন্দু করিনো থংদনা লৌশিল্লুবা নত্তে। কলচর হায়বসি মী অমতগী নত্রগা কাংলুপ অমতগী মরল খক ওইনা য়াদে, অফবা, ওইত্নুনা (কলচর) চৎনগ্রবদি তাইবং মী পুম্নমক্কী মরল হেক্তা ওইখিবা পোৎশক অমনি, কান্নববু য়াওরবদি কান্নবক্তবু তাইবং মীনা তাথিনা তৌবা য়াদে। ঐখোয়গা চান্নগদবা থর ঐখোয়না লৌশিনবন্নি। হিন্দু ধর্ম্মগা ঐখোয়গা তিন্ন তোংনত্নুনা লাকপসি চাওরাক্লা চহি ৫০০|৬০০ লোম শুরমদবা য়ারি, মসিগী মনুংদা কনানা মা'ল্লিবনো কনানা তোংলিবনো থম্বরগা ময়েক লানা অতম মরৈজরমই। অথাপ্পা লোংচুপলোমদগী তমপাকতা তিনশিল্লকপা কাংলুপতি মুখর্জ্জি, বনার্জ্জি, মিশ্র আচার্য্য নচিংবা ময়াম অসিনি। ঙসি মৈতৈ তম্পাকক্তা মুখর্জ্জি অমতা লৈতরে, মিশ্র লোইনা মুৎথ্রবনি, ঐখোয়গী লোল, লমচৎ শাজৎ, শা'গনচিংবা মৈতৈ অমসুং চীংবুরোই চাগী কলচরনা মখো'য়বু লোয়না চুপশিনখ্রবনি। অনৌবম অরিবম হায়দুনা ঐখোয়গী লমচৎ শাজৎ, চৎতুনা ঐখোয়গুম্বা মখোয়সু লৈতাখ্রবনি। কনাগুম্বা মী কাংলুপ অমনা ঐখোয়গী লমচৎ লিচৎ শাজৎ চৎতুনা ঐখোয়গী লোল লোন্দুনা ময়ামগা তিন্নজরগে হায়রবদা কাংলুপ অদুবু চীংবুরোই তম্বুরোই মচা অমত্তনা তাথিনা ঙসি ফাওবা ত্তোনবা হৌনদে হায়বসি থংনবা ঙাক্তনি, তম্পাকতদা নৎতনা ময়াং অমসুং কবোগী মী কয়ামরুমসু হৌজিক হৌজিক অনাল ওইবা, তা'খুল ওইবা, কবুই ওইবা,

খোংজাই ওইনা, অকাপনি ওইবা খী মখিং খুংগম্মা লৈরি। কন্নাচুক মুসলিম তাইশিং অসিনা আরেবিক মহম্মদকী ধর্ম অসিমু লুখনা নিংজবগে থাজবগে হায়রদু পুথিখীনা খংবদি, মখোয়শিংনা অসিগী ইসলাম ধর্মগী মতাং নথক্রবসি অদুগী পুথকি ঐখোয়গীদা তিনখ্রবনি, ঐখোয়গীদা চংলকখিবনি। মুসলিম শাগৈশিংদা খোংজাই মহুম, মকক মহুম, অরিবম, অলৌবম, খুলাকপম, ইকম, শাজবম, চেশম খুমথাইবম, খুরৈলকপম অসিনচিংবা লৈরিবা অসিনি। কয়ামরুম ঐখোয়গী মুসলিম তাইশিং অসিনা মণিপুরী ওই-রবগে হায়বদু উবগা পুক্লিংদা মংশিবা পোক্কই। কনাগুম্বা মুসলিম চন্দ্র (পাংঙল) অমবু কাছারদা লৈবা মৈতৈ পাংঙল অমগী ইমুংদা মৌ ওইনবা হায়রবে, মখোল ইরোলসু ধর্মসু তিন্নখিবনি, অদু ওইদুনসু মণিপুরদা লৈবা পাংঙল অহল অদুনা মপাংঙল ইচা থাজনিংদে, ইচা পীরোই হ.য়খিবনি। অসোয়সগী ধর্ম শঙ্গোকচগে হায়দুনা লাকখিবা হিন্দুশিংসু মুসমা, সম্পামরি কাইরাও, ইনলাই, কামিও থ াই, ইম্মি-চরাখোং খুঙ্গেমদা সৈচৈ, কবুই, খোংজাই, তাংখুল পাকাম কোমরেম অমাংগী ইচিল ইনাওশিংদগী মখোয়না হেক্না মথক্তাই খাওরবসি, চাহুবাক ঐপান খুমিংতো ঐখোয়গী খাকোক মথক্তা অদুম তানজিরদুনা 'নচা লোৈগেরা খাকোক লৈরসরা–বাংলা-কাংলা'' সিন্দুনা হিংসিলক রবসি।। জগনাথ কাং চিংবদা কাইচৈ খেৎসি খেৎলকনি, চীং-তমগী চিঙ্খোং খেৎলকনি। ঐপান খুমিংতা খাংজোককা হিন্দুনা খাম্না খামতা খাওলবদি। ঐখোয়গী উখাব মেরোদা খুবোইমা

চাক ঈশিং খোঙ্গনা মথাম শিজন্নিবনি, চীংবস্থ মসি . চৎনদবা লৎস্তে, তম্পাকনা মমাগী শাগৈ হায়রগা খংনবা চীংদনা মকুগী শাগৈদা উৎসব মেলা খোকপদা মমাক মুপানা লেবা ত্তোরবা হার্ববালি চীংমী পুন্নমক্কী চৎনবীনি। অশিদগীম্ভ হেন্দোক্ক্না মৈতৈগা হেক তিন্নরুবা মন্নাং মখৈদি বজলা দেশ কাওবগী মীনা মরাইবক্তা চংন্দোন ক'ওবা চিঙ্গোং থিনবা ওাক্তনি। অতৈ শাক্ত পন্থিশিংদি মন্নাইদা অমা হাপ্না থিন্নি, অতৈ অতৈনা মরাইবক্তা পাক্তক্না চন্দোন ঠৈভবা থিনবা মন্নাম্না উবিরবনি। মতৌ অম্নম তৌনা ঐখোয়গী তম্পাক্কী সমাজগা নোংচুপকা জিন্নরকপা চহি ৫০০/৬০০ লোম অসিগীগা, মতম অসিগী মমাংগী সমাজগা খেন্নবা কবিস্থ লৈস্তে, হৌজিক্কা ঐখোয়গী চীংমী তম্মীনা নোংপোক নোং চুপকী থীক্তেক মীয়ৌ খংবা হেনগৎলকপদনি হায়জনিংই। চীংতমগী সমাজগী লিচৎ শাজৎনা, হান্না লৈজন্নম্বা ঐখোয়গী কলচর অমস্তুং ট্রেডিসন্না মক ওইবগা থাবনি, থাখিবা পোৎশক অতুত্তা মহৌজন্নকপনি, পাল থাক্নরগা আলু ওইন হৌরকপা মশে ইশাগীনি চীংতমগীনি।

ঐখোয়গা হিন্দু সমাজগা তিম্ন তোৎনত্রিঙৈগী মমাংদা ঐখোয়গী লৈবাকপু মখোয়না কিরাৎ ভূমি কৌনরম্বা থেংনৈ কনাগুম্বনা স্বর্ণভূমি হায়নম্ব কৌরম্বা থেংনৈ, ব্রহ্মপুত্র বাংমগী চীংমী লমদা লৈবা মী কাংলুপ খুন্দিংনা অপোকপা লাই নিংই, খুনলাই লাংলি, খুমলাইবু মন্নাংগা তাইননা লৈরম্বা ঐখোয়গী কখুক ইচিল ইনাওশিংনা কাইরাও হায়না খংনৈ। কাই+রা

হায়গদবদা মখোয়না খোজক্লনা কিন্না হায়বদগী খোঙ্খোক থুং-ছাইনবা কিয়াংশিংগী লমদি হায়না খংজনবা হাই। মণিপুর অনৈবা মিংনি অহুম্মদি ওইরগা পৃথিবীপুম্বনা লাল্লবন্থু চুমলবন্থু মীনা খংনপ্লবনিনা ঐখোয়স্থু ময়ামদগী খুদোং চাবন্থু মরোয়নি। সংস্কৃত পণ্ডিত অয়ামবগী মততা মণিপুর হায়রিবনি ঐখোয়গী অসি নত্তে থা ভারততা নাগাশিংগী দেশ লৈবা ঙসিগী নাগপুর লৈরিবা অসিগী মনাক্তনি হায়না কয়া থেংপা পণ্ডিত য়ামনা য়াওরি অছু ওইরবস্থ পৃথিবী পুম্বনা খংনখিবা লৈবাক্তি ঐখোয়গী চীংতম ঈরৈবাক অসিবুত্তনি। মণিপুরদা লৈবা ঐখোয় পুম্নমকসি মীগী মিংতদি মণিপুরীনি মৈতৈদগী মণিপুরী ওইনা উদে। মণিপুরী কলচরগা নোংচুপকী কলচরগা তিন্নখিবদগী মখোয়গীস্থ কান্নবা য়ামনা কংহোই, ঙসিস্থ মখোয়না ঐখোয়বু ইকাই খুম্নবগা কিবগা লোয়ননা থিন্নরিবনি। মণিপুরী রাস হায়রগা ময়াম্না খংলিবনি। চীংতমগী কলাকারশিংগী [artists] খুথেক শাথেকনা মমিং চৎহন-লকপনি ইংরাজি জগোয়ওমনা কি তাথৎলগা চোংবা ঐখোয়গী জগোই (Dance) নত্তে, ভারতা অতৈ অতৈনা শাবা মকোই, মমিৎ, মনিং য়াওবা জগোইনা পৃথিবীগী জাতিশিংদা খংহনখিবা নত্তে। ঐখোয়গী চীংতমগী মিৎ নিং য়াওদবা শাথেক খুথেক অছু-ভনি। কৃষ্ণগী চলমদা মাও, তাংখুল, কবুই মৈতৈগী থিং থিং লাওবা লোইনা কংবিগনি, গোপীগী জগোইদা কবুই, তাংখুল, অনাল, মৈতৈগী ইমা ইবেনশিং অমেংবা শাথেকশিংতগী মমিতনা ভারতকী ওইবা সংস্কৃতিগী মচাক মমল য়াম্নবা অমা ওইনা

খোঙনবগী ঐখোয়গী চীং তম্পাকী [illegible] মায়োকপগী শক [illegible] লৈরিবনি। সংস্কৃত [illegible] [illegible] শকলবসু বাঙ্গালি শাস্ত্রদা [illegible] কা [illegible] লিখিন্নরুদা, নাতোন্না ভংলম্লুনা শকলুবা [illegible] অনাম্ [illegible] কোময়েম তাংখুল মৈতৈগী মরোপাগী খোঙ্ঙাক্তা শকপাদি। মখল মখলগী মতম মতমগী কলচর তম্পাক মতান্না ইতুন-তম্বুনা মরাও [illegible], বাঙ্গালি শাস্ত্রদা মরোহোরব-মাই মৈতৈনা শকলমই, ওসিদি হিংবা যাখিদরে মৈতৈগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। ওসি কাওবদা তম্পাক্তা [illegible] কর্মগী মতাংদা তম্পাক্তা শকলিবা শৈশক, শাবিবা অগোইগী থুংথেক ঐখোয়গী [illegible] চীং-তমগী ইপা ইপুশিংনা চৎলম্বা অদু থুগাইদুনা তম্পাক্তা চৎক্রি হায়বসু চীংগী অমং [illegible] অকুপ্পা মিৎয়েং তাবিবগা [illegible], অমসুং [illegible] অশেংবা [illegible] [illegible] হায়না [illegible]। ঐখোয়গী ইতিহাসনা [illegible] মতিক অরাবা নংলকপগী মতিক [illegible] [illegible] পোকশক [illegible] অদুকী মতিক ময়াই মপা [illegible] [illegible]। ইতিহাসনা অরাবা থাংলিদৈ, নে-না [illegible] মসুং অদুদি [illegible] কোমনা অরাবা-থাংমিন্নরকই মতম অমদদি চীংখুরোইদু তম্পাক মতানা মাংই শেংই হায়খিবা অমসুং তম্পাক মতা মশেলা [illegible] [illegible] মাংই শেংই তৌনবা অশিবা কাওবা [illegible] মতম [illegible] যাওথরে, লাইবক [illegible] তমখিবা মতম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থালদনা [illegible]। [illegible] [illegible] ঐখোয়সু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংশিংবদ্রকলি।

হিরোসিমাগী এভোমগী মতুংদা পৃথিবী পুম্বা অনৈবা কিজেং হোংনখরে। ঐখোয়স্থ লাইবক ফবনা কুইনা কাইনরুরবা ইচিল ইনাও অয়াম্বা ভারতকী মনুংদা অমুক পুল্লরে, ঐখোয়গী খরনা হাম্না খুংলিংহৌবা বর্মা অমস্থং পাকিস্থান্দা লৈখরে, মসিখক্তং ঐখোয়গী লাইবক থিবনি, ঐখোয়না হায় জ্ঞান তাদুনা ঐখোয় ইশেল অমতা ওইনা ভারতকী মনুংদা লোইনা পুন্না হোৎনজরল্লবদি ঐখোয়গী লাইবক অসি ওম্বোক্না ফরমগদবনি। কলচরগী মতাং হেক পল্লুবদা, কলচর তৌবম্লিবা থাইনগী অহল লম্মনশিংগী রা হেক হেক য়াওরকবা য়াদবনা অসিগুম্বা অরুবা মতাং অসি মরক মরক্তা হেক হেক্ক পঙদবা য়াদদুনা মপঙ্গরে, চীংতমগী তিনবিরিবা অহল-লম্মনশিংনা মরুপ মপাংশিংনা ঙাকপিগনি।

অথাপ্পা নোংচুপকা মণিপুর তমপাক্তা শম্নম্রিজৈগী মমাংদা তম্পাক্তা নোংচুপ নোংচুপকী চীংমী কয়ামরুম চংলকই মখোয় অহুবু নোংচুপ হারম হান্নবা খংই। হারম হায়বনা মী ময়ামনা খুল তাশিল্লকপবু খংনৈ। নোংপোক অমস্থং নোংচুপতগী লাক্পা কাংবু অসিবু খংবা কাংবু অমনা হাম্না তম্পাক্তা তারম্মি, অহুনদি অহানবা তারম্বা কাংলুপশিং অদু নোংপোক্তগী নত্তবা নোংচুপ্তগী নত্তবা খা অরাংদগী মীনা হাম্না তারম্মে হায়বসি শেংনা তাক্লি। অমুকস্থ তম্পাক্তী লৈমাইগী ফিভমনা অরাংলোমনা তোংই খাথংবা শরুক্কা পাৎ ঙাক্তগী শরুক্কা নমম্মি। মরম অসিদগী অরাংলোমদগী মীনা হাম্না তম্পাক্তা খুন্দারকখি। বাখল অসিবু মৈতৈশিংগী ট্রেডিস-

লেল শোংবা মর্পোটি তৌরি, "অয়াং কৌক্র অচুপপা লোইমলাই (ঈয়েম লাই) খুন্দা অহানবা" হায়না ঐখোয়গী হৌজিক ফাওবা লিংশিংহল্লি। হৌজিক হৌজিকসু অরাং থংবদা তারিবা কাংলুপ-শিংগা ঐখোয়গী তম্পাক্কী লোলগা কষ্টম, ত্রেডিসন অমসুং কল-চরগা মায়কা হিংমিন্নরি, য়েলহৌঙৈদগী মায়রকপা কয়ামকম লৈরি। হৌজিকমক নোংচুপ চীংশাংশিং অরাং চীংশাশিং ভিমাপুর ফাওবদা তারিবা ইচিল ইনাওশিং অসিনা তাইবং মীবু মৈ হায়না ই অমসুং উচ্চারন তৌই। তম্পাক্তসু মীতে ইবদা মৈতৈ হায়না ইগদবনি হায়বসিগী য়েৎনবা তোক্লদ্রি, লাই তিনগী থবক তৌবা নোংচুপ অরাংগী মীশিং অসি মৈ চিংলগা তৌনবা ঙাক্তনি, তমপাকতসু মৈবা মৈ হেৌরগা লাই তিনগী থবক তৌবা কাংলুপ কয়ামকম লৈরি, মুংমৈনা তৌবাকাংবুসু লৈরি। মৈতৈগুম্না মথক্কী ইচিল ইনাওশিং অসিসু য়ুম্নাক ঈয়েক মায়বা শাগৈ(শালায়) গী মী-মনুংদা চারো-মোরোনদে, কনাগুম্বনা নিয়ম অসি কাইরুরবদি ওথোক্কা চাওনা দণ্ডি পি, খুলগা তিন্নহন্দনা তোঙান্না থমই, অরাং নোংপোক, চিংখৈ তাবা তাংখুল ইচিল ইনাওশিংদি শাগৈ লৌনরুবদি তোঙান্না থম্বদগী হেন্দুনা মুপী মুপা অক্নগী ইমুং অচু হিংচাবা হিংচাবীগী ইমুংনি হায়ত্রুনা মচা মগু কাওবা থাক-য়োক্লবা শিংলি। লুহোংবসু মনেম মতুং ইন্দুনা লুহোংবনা চৎনবী লেমনবীনি মৈতৈগী চৎনরম্বা লিচৎ শাজৎসু মনেম মতুং ইন্দুনা লুহোংবা মুমিক্তা মৌনা য়ুম চংত্রিঙৈদা মুপাগী মমানা মমৌবু কোনশিন্দুনা মহাক্কী মমৌ লাকলবনি হায়ত্রুনা

হয়াওদা মশৌ কৌশিজবগী থূদোং চাকচু চীংগী অমত্নুং তমগী চৎলবীনা য়েলহৌডেদগী ওসি ফাওবা পিরি। অরাংলোমগী ইচিল ইনাওশিংগীস্থু লুহোংখিবা মতুংদা নিংঙোল চাক পীজে, অয়াম্বনা সুমিৎ হুমনি ওবদা চৎনৈ সুপী মপাম্বা অচা অথক পুরক-লগা নিংঙোল ময়ুমদা ময়াম চামিমৈ। তমপাক্তনা লুহোংবা মতুং হুমিৎ ৫ ওবদা সুপা ময়ুমগী মী ময়াম কৌরগা সুপী ময়ুমদা চাক চামিমৈ, চীংগীস্থু তমগী অচাবা মীশক খেয়দে সুপা ময়ুমগী মীনা চাবনি। য়ুম পাম্নরিবশিং অত্তুনা মচা পোক্লগা ইপান থাবা, মচা মনা হুৎপনচিংবগী থবক নিংথিনা তৌই। জেলেংরোং কবুইশিং-দি মৈতৈগা য়াম্না মানৈ, অঙাংগী খোইরি নাওকমনচিংবা ফুম্বস্থু মৈতৈনা ফ্ংবগা খেয়দে, মৈতৈনা ঈপান সুমিত্তা ঙাইহাক্তং য়াঙ-কোক মথক্তা অঙাং থমলগা য়ুহা হাবগুম্না মাইথীনা নিক্লগা তোকই, জেলেংরোংগীদি হেক পোকপা, অমিক্তগী য়াঙকোক মথক্তা থমখিবনা ঈপান নুমিৎ ফাওবা থমই, মরক মরকতা য়াঙকোক অত্তুবু বং-লা বং-লা হায়দুনা নিকই। ময়ামদগী হোত্তুনা ঈপান থাবদা য়াঙকোক শিজিন্নবসিগী মহুত্তা লোং চুয়গা তুম্নবা য়েংপাক্লা মহুৎ শিনথরে।• মাও ময়াম দপুমৈগী মীশিংনা, নুপীনা চাবোক-শংদা লৈরিঙৈদা ঈপান থাদ্রিবা ফাওবদা ইমুংদা থাং ফেংনদে, থোংলিবা চাক্কী চৌবোন মৈদা তাহন্দে, মসিমদি জেলেংরোংগা অরাংলোমগা নক্লবদগী তমপাক্কী মৈতৈগা হেন্না অমুক নক্লরে। মাও এরিয়াদা খেতা কৌরকপলিদা ময়াম য়োরকপদনা তাক হায়না কৌথরে তমপাকতনা চাক অমুক কৌথরে। কবুই

ইচিল ইনাওশিংনা তাকহায়রগদি চিঙ্‌কপু ওইনা লৌখরে। কোকপু অরাং অমস্থুং নোংচুপ তাবা ইচিল ইনাওশিংনা পি হায়না খংনৈ খাবুস্থ খরনা বু হায়না খংল্লে।। মৈতৈস্থ বোকপু পি হায়না খংনবা মতমদা কোক্তগী হেন্না অরুম্বা আইডিয়া পি ঐ পি + কোক ঙাওরে হায়না খম থেংনা কোক ঙাওবদা পি শিজিন্নৈ। খাবু বু হাপ্লনা অনিনা পুল্লগা থাগী শক্তম মপুং ফাহল্লি, "খা খা খাবুং হোন" বু হাপলিবসি অরাংগী ইচিল ইনাওশিংগী লোলগা তম্পাক। মখা-নোংপোক তংখাই তাবা ইচিন ইনাও অহুমগী লোল তিন্নহনবনি। অঙাং মনা হুৎপগী মতাংদস্থ চীং-তমগী ইচিল ইনাও পুন্নমক খরচ চাওনা তৌনবা ঙাক্তনি। তম্পাক্তনা লৈতবশিংগীদি খর শাফে চীংগীদি উৎসব অসি অয়াম্বনা চাওনা তৌনৈ য়ুমলিং খুল্লিংবা, খুনগী চৎন পথাপ খুন-ঙাক খুনশেল চৎনবী ফিশা লোনশাগী থবক য়েলহৌঙেদগী মান্ন-রকই, হৌজিকতি তম্পাক্তস্থ চীংদস্থ খর খর অনৌবা লৌশিং বিজ্ঞানগী য়ুগকা নকশিন্ননা চৎমিন্নরকলি। লৈবাক্তা য়ুম্ফম থোল্লগা য়ুমশাবা ঙাক্তনি চিরোং চীংগীস্থ তমপাক্কীস্থ অশেংবা পোৎনি লং, ফি, মোইখাপ তরেং, ফিশা তেম, শা, ঙা, সুমিৎ থা মমিং খোম্থোক মান্নবা ঙাক্তনি অসিদা নৎতনা তম্পাক্কী অরিবা রারেং শৈরেংশিংদা অরাংলোমগী ইচিল ইনাওশিংগী লোলগা তিন্ননা ইরস্মি, লোল্লমই, রাগী না পু তাবদা কবুঈ মৈতৈ অনিগী শাথেক মান্নে। খৃষ্টগী তুং চহি ৭৬৩ দা লৈরম্বা তমপাক্কী পণ্ডিত তোম্বোইনা ইরম্বা পাম্থোইবী খোংগুলদা কবুঈ লোলগী চান্নবা

চুনবা লৌচুনা লাইরিক অসিগী মগুণ হেনগৎহল্লমই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মুরাবোই (লোং-সাং); কচিক কপাক চীং (কসিম কপাক = মথক্তা লৈবা মথুম মানবা) লংমৈ অসিনচিংবা অসিনি, পাম্ভোইবী থোংখুলগী অর্থ মথক্কী য়াহৈশিং অসিনা শিন্দুনা শিজিন্নরগা কবিনা উৎলমলিবা য়াখল্ অচু হেন্না মম্নেক লাইল্লি, শেংবা হেল্লি। মোইরাং কংলৈরোলদা কবুই সলাই মাইবগী শরুক ময়াম্না খংবিরি। মৈতৈগী লাই হয়াওবদসু কবুই লোন য়াম্না য়াওরি।

"নরুই খেঙ নরুই হোংমাই লৌ ঠৈহ
হৈরাং মঙা লাজু তাউ
হৈ মেলে লাজু তাউ
" " " তাউ
অমু থাই থাই থাই ; অসিনচিংবা

ঈশৈ অসি কবুঈগী মীগা লাইগা শন্নরিঙৈগী ঈশৈনি ; কবুই চঙ্গ অমগী কাদা পাখংবনা কোইরুবগী মতাং নিংশিংহল্লি, চঙ্গু অসিগী শাগৈ হৌজিক ফাওবা লৈরি। মৈতৈগী অনোয়রোল শকপদা "লমলেন মহৌচীংদা নোয়য়ে নোয়বী নোইতন চীংদা নো-য়য়ে" হায়না মালেম অসিদা অহানবা জগোয় শাখি হায়না এখো-য়না থাজনরিবা চীং অসি মৈতৈ অমস্তুং কবুই কাংলুপ অনিমক্কী পণ্ডিতশিংনা য়াখল অনি থোক্না থবই। অনিমক মাগী মাগী লম্ন মনাক্তা মহৌ চীং লৈ হায়না তাকনৈ, মসিগী অর্থদসু থুগ্না থদৈ—থুপলিবসিসু মকম মাদৈ। অগুক্ষলিগী থোনথোকসু লোল-

দস্ মৈতৈগীস্ কবুইগীস্ ম্যাল্লবয়ে। মৈতৈগী লাই হরাওবদা লোললিবা লোন্দা কৈদাগী অপাম্বা খর থাইনগী অহল্লম্মনশিংগী য়াথলদা চেল্লমই হায়বসি ঐখোয়দা ট্রেডিসম্মা তাকই, জেলেংয়োং কবুইগীস্ থাইনগী অহল লম্মনগী অপাম্বা অমা লৈরম্মি হায়বসি ঐখোয়গী ইচিল ইনাওশিংনা লাইতিনগী থবক্তা শোন্নবা লাইবা (কেথোয়) দগী ঐখোয়না থংই, মসিমস্ ঐখোয়না মৈতৈ কবুই মৈ অনিগী খেন্নবা খংল্লবা মচাকনি। মৈতৈগী কোম্মোজম লাইরেম্বীগী য়াম্নিগা কবুইগী গোলথংমৈ শাগৈগী দিলেংলিউগী য়াম্নিগা কনানা কনানো থিবদা য়াই। মৈতৈগী কাংলুপ খর, কবুইগী ময়ামগা ভিন্নন মাও দপুমৈ অমস্তুং তাংখুলগী শরুক খরগী থাদোক্লবা য়াল্লবা কলচব অমস্তুং ট্রেডিসম্মা ঐখোয়গী থাইনগী কাওনখ্রবা ইচিল ইনাওশিংগী খোঞ্জুল লিবা ঙম্বগী পাঞ্জল লৈফম খোকই।

তম্পাককী নোংপোকতগী খা অমস্তুং মোইরাং লাইচি কাওবদা তারিবা ইচিল ইনাওশিং অসি মথক্তা লোলদা চংনবীদা মুম্বাল কৈবাল মীহোৎয়োলদা অহানবদা নৈনখিবা কাংলুপ্তগী Optimistic view দা খেংনবা অমত্তা লৈতনা য়েংবদা খেন্নবা লৈতনা য়াম্নে। অচুবু হৌজিক কালগী অথং অকৈশিংগী অপাম্বা অমনা ফোং-দোক্তনা মম্লুংদা লোৎত্তনা লৈরিগা হায়নিংবা কয়া হায়বিদ্রুনা খরবু নাগা গ্রুপ হায়না থায়রোকপী খরবুনা কুকি চিন গ্রুপ হায়বনচিংবা ঐখোয়গী ইমুং মম্লুংগী ঙা মচেৎ অমগী খমজন্দা মখোয়স্ য়াওবিদ্রুনা কাংলুপ্ অমত্তবু অনি অহুম খোকনা অমুক থায়দোকপিরি, মখোয়না থায়দোকন্দ্রিব্রেগা অমুক তিন্নহনবীবগুম

তৌনিংবদা তৌবা থৌশিল অমনা ঐখোয়বু শায়বিরি। মসিগুম্বা লাং অসি ঐখোয়গী ইচিল ইনাওশিংনা মশীং নাইদনা থেংনখ্রবা মতম খরদংগী মফমদা ঐখোয়গী মাননবা কলচর ট্রেডিসনা ইলাই লাইনা মাংহনখ্রগদবা পরীক্ষা মচা অমনি। পাকান, অনাম, মরিং, তাংখুল, চোথে, জরাও, লমগাং কোমরেম, কুইনা লৈজররকবা ঐখোয়গী ইচিল ইনাওশিং ঙাক্কনি, অরাং তম্পাক মাইকৈগী কাংলুপশিংগা লমচত্তা শাজত্তা করিসু থোইদোক হেনদোকনা থেম্নবা লৈতনা লৈমিন্নরবনি লোল-সিবা মৈতৈগা য়াম্না নকনব কাং-লুপ ঙাক্কনি, লাইনিংথৌ থোরী ফাবা লাই রাংবরেন নোংপোক নিংথৌগী য়ারী তাবদা ঐখোয়না নোংপোক মৈরম খা অসোমদা লৈরিবা ইচিল ইনাওশিংগা তম্পাক্কী মৈতৈশিংগা কয়ামকম ঈ মরি নকনবগে হায়বত্থ খংবা ঙাক্কনি, কাংলুপশিং অসিগী অশেংবা দেব কর্ম্মদা মৈথাং হুংবৈ মৈনা শিজিন্নগনি। কোম রেম হায়রিবা ইচিল ইনাওশিং অসি থাইনদগী লৈবাক নিংথৌগী থৌগল চংজ-রকবা ইচিল-ইনাও ঙাক্কনি, নিংথৌনা হৈ-নৈ অমতং পামলকপদা মখোয়দা ওহনজরম্বনি। কোম রেমগা মার ইচিল ইনাওশিংগা লোল নকনৈ। চোথে-রাইনেম নোংচুপ তখেল ফাওবদা পিক্লা পিক্লা তাজবা কাংলুপনি, থাইনগী ঈশৈ শকপা পেনাগী ওঝা-শিংনা মেন্তে ইমা ইবেলশিংগা চোথে-রাইনেম ইমা ইবেলশিংগা খৎনহনবদা ভাবুকতা হরাওবা হুংঙাইবা লী। রাইনেম চীংমী-শিংগী মফুংদা শিরগা মৈ থাবা কাংলুপনি, জরাওখুল অমনা জাত্তি অমত্তা ওইনা হিংলিন্না কাংলুপনি। চীংমীশিংগী মফুংদা লাই-হরাওবা অমত্তা ঙাইবা কাংলুপনি মরিং, জরাও, মৈতৈ মচিল

মনাও অহমনি হায়বা থাইনগী মাগী লৈ। কোম রেম, খোংজাই পাকান কাংলুপ অমতগী মীনি, খোংজাইশিংনা কোম-রেম পাকান-শিংবু অরিবা মীনি হায়না লৌই। খোংজাই ইচিল ইনাওশিংগী শাগৈগী পীবা সোংথু—কোম-রেমগী মনুংদনা চোংথু—অমতনি খেন্নদে। অনাল চৈং-তম্মীগী মবেগ্নৌ ইবেম্মা শংকু লাইরেম্বীগী মপাম-শাগৈনি।

তাংখুল ইচিল ইনাওশিংগী চৎনবী য়েংলুরে, তম্পাক মচানা অমরা তাংখুলনা অমরা থায়দোক্লকম লৈতে। লাইরমলেন্দা থিগৎলুরে, নোংপোক নিংথৌ মরৈরমই, মণিপুর চৈং তমগী সংস্কৃতিগী লমজিং তাকপিরিবা লাই হরাওবদা 'য়াম্বা তাংখুল রাওদনা কুম্মৈ মপুং ফাদে, ইংলিশ পণ্ডিত হডসনমক্না উখ্রে, সনা কৈথেলদা ময়াম্বগী মী লাক্তুরা "মথুন থাদোকতুনা ওকনাও মনাকতা চৎল্লগা হৌজিক ফাওবা হল্লকত্রবদি নপোৎ ম'শ মুন্দুনা পুরগনি' হায়তুনা কৈথেলদা থোকপা উবা পোৎ পুম্নমক মুন্দুনা পুখিবদা লৈবাক নিংথৌনা চুমই তৌনিংবতা তৌখিসনু অসিগুম্বা মুমিৎ অদুদদি কৈথেল কাজকপা মী অদুনা মরম্মাই ওইজগনি হায়না য়েলহৌতৌদগী প্রজাযু পাওমেন্নুনা থমলকই।

ময়াম অসিদগী খাইদগী লাইবক থিবদি ঐখোয়গী খোংজাই ইচিল ইনাওশিংসিনি, পঞ্জনিংই। ঐখোয়গী কাংলুপনা এলিয়াগী অচৌ অচৌবা শক্তিশিংগা লাল কয়ামরুম থেংনখি। নোংপোক্তা লৈরম্বা পোংলুপ থরদি বর্মিজ অমসুং থাইশিংনা চুপশিনখরে। নোনা মণিপুরদা লাকখিবা খোংজাই ইচিল ইনাওশিং অসিমু মাগী মাগী মনাম থাদোক্লিংলরদগী মীগী জাৎতা ওইরিংদবদগী মাগ

মাগী শাগৈগী পিবাগী বোর কোননা লৈকং থিরকপনি। থাদো, মন্তে-গাংতে, বাইকৈ, মার বাইতে, পাইতে-গুতে কাংলুপ অমতগী মী ঙাক্তনি। মাগী মাগী শাগৈগী পিবাগা কোননা খুন্তারবনি। ইচিল ইনাওশিং অসি নোংদা লাইরেন পাখংবগী চহি কয়ামকমগী মমাংদা লৈরম্বা পোং নিংথৌশিংগী কাংলুপ ঙাক্তনি, মৈতৈগী অরিবা রের্কোডস্তা খোংজাইগী শাগৈ খরগী মপু তৌথাং তৌহাং ইগা কোনবা নিংথৌ অমসুং প্রজাগী বা য়াম্না শেংনা ইরি। তৌথাংতে হায়না ইরম্মি, তে হায়বিবসি ময়াম খংহনবা য়াবু তে হায়রিবসি ময়াম খংহনবা য়াবু তে কৌই। মখোয় অসি মণিপুরদগী চৎলগা নোংপোক্তা খুন্দারুবনি, অদুগী তুংদা অমুক তখেল,ত্রিপুরা, সুরমা ভেলি মনাক্তা খুন্দারুরগা কোম্না অমুক মণিপুরদা চংলকপনি, চাওরাক্না চহি লিশিং ওলোম কাইনরুরগা অমুক হলকপনি। চাবোক ইপান, নিংঙোল থাক্তবদা মনেম মতুং ইনবনচিংবা নাহুৎ নারেং লুহোংবা ময়ামদগী তোঙানবা কাংলুপ নৎতে। খোংজাই ইচিল ইনাওশিংসু ঘুমলাই (ইনলাই) থুরম্মি। অরাং-নোংপোক নোংচুপ অরাংগী লৈমিন্নরিবা ইচিল ইনাওশিংগুম্না পাখংফাল, থুম্নাকপা (নিংথৌ), মুংত্রুম অহল্লা ফুঙ্গা শাবা, কাং শান্নবা মুক্না শান্নবা, শক্তি পুজা তৌবা কাংলুপনি। মৈতৈ অমসুং কবুইগা মরাম খাও শপুমৈগী মীশিংগা নকুবদগী হেন্না খোংজাই মরাম শপুমৈগী মীশিংগা লোলদা হেন্না নকশিন্নখিবা মতাংসু লৈতবা নত্তে। অশিগুম্না মরি মতাং অশিনা লেপ্পমক ঐখোয়বু তাকপিরি ঐখোয় পুম্নমক অনি কাংলুপ অমকগী মীনি, ইচিল ইনাওনি ইপু ইবেল অমতগী মচা মগু ঙাক্তনি। ঐখোয়গী তোংঙান তোংঙানবা

কিজেং, ঐ ঐনা শামজবা Style নি ঐখোয়গী লোল পুন্নমক লোল অমতগী মশানি। অয়োইবদা করিসু খংজরবা ঐনা ইভোম্মতা মুংঙাইজরুবা বাকম অমনা ঐখোয়গী পায়ম-পুরমদগী হৌদুনা অচেৎপা থাজবা অমগী ময়াইনা চীং-তমবু থাইনদগী চেয়দুনা গুসি কাওবা পুয়া ওইরবসু লয়াই ওইরবসু করিগুম্বা মঙাল অমগী মতুং ইমদুনা ঐখোয় পুম্বা গুসি কাওবা চৎখিররি। মঙাল অদু ঐখোয়গী য়েলহৌঙেদগী লোইনরকলবা ঈ তোং হকচাংদা য়ৈপ্রবা চুশিনজবা থাইনগী কলচর অমসুং ট্রেডিসনগী মঙাললনি। ঐখোয়গী মপুংদা খরনা হিন্দুগী কলচরগী মহাও শেংনা খংখরে, খরনা খৃষ্টান-নিভিগী ফজবনি, খর অমনা হায়গী ধর্ম্ম থাদোকতনা চৎখরকলি, লম্বিনা কাংনা খোংকম অমত্তা ভিরদনা চংনখিবনা ঐখোয় অসি ইচোই চোইনা ভাদুনা মাংখগত্রা হায়না অপংবা ঐহাক্না খল্লকই, মসিসু পংদুনা ঐতনা খল্লরুবনি। হৌজিক অমুক ঐখোয় পুন্নমক খংহৌদনা ঐখোয়গী পায়ম পুরমদগী ইনাৎ ওইরক্লবা সভ্যতা, কলচর অমসুং ট্রেডিসন্না পুনশিনখরে। ঐখোয় পুন্নমক্না অপোকপা লাইনিংথৌবু ঈশ্বর হায়বনি God হায়বদুনি হায়না পায়ম পুবমগী চৎনরম্বা ধর্ম্ম অতুমক্তি।

থাইনগী ধর্ম্ম চৎপা কবুজৈ ইচিল ইনাওশিংনা নিংবা হাইপৌলাংগং (ইপা লাইনিংথৌ পোক্লেন পোকপা)
খৃষ্টান ধর্ম্ম চৎপা লেংমৈ ইচিল ইনাওশিংনা নিংবা „ „ „ „ „
থাইনগী ধর্ম্ম চৎপা লেংমৈ ইচিল ইনাওশিংনা নিংবা অরাপিউ (পোকলেন পোকপা লাই)
খৃষ্টান „ „ „ „ „ „ „ „ „ „

থাইনগী ধর্ম্ম চৎপা থোংজাই ,, ইচিল ইনাওশিংনা নিংবা পাথেং (অশেংবা ইপা)
খৃষ্টান ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,,
হিন্দু ধর্ম্ম থাদোকপা মৈতৈ ইচিল ইনাওশিংনা নিংবা পোকলেন পোকপা শাৎলেন শাৎপা ইপা
থাইনগী ধর্ম্ম চৎপা সপুমৈগী ,, ,, ,, রামৈ (লাইনি masculine one)
খৃষ্টান ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,,
থাইনগী ধর্ম্ম চৎপা তাংখুল ইচিল ইনাওশিংনা নিংবা কামিও ভরি ভরা (শান্তি লৈবা ইপা শেম্বীবা)
খৃষ্টান ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,,
থাইনগী ,, ,, পাকান (মোয়েল মোনশং, অনাল) না মিংবা আশা পাবান (সর্গগী ইপা)
খৃষ্টান ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,, ,,
খৃষ্টান অমসুং কোম রেম ধর্ম্ম চৎপা মীশিংনা নিংবা পাথেং (ইপা অশেংবা)

ঐখোয় লোয়নমক্কা থাইনসু হৌজিকসু পোকলেন পোকপা শাৎলেন শাৎপ নিংলি হাইগৌ-লাগং পাথেং, অয়াপিউ,অরা অরি রামৈ পোকলেন পোকপা শাৎলেন শাৎপগী মিংথৈ ডাক্তনি হিন্দুগী ঈশ্বরসু মহাক্নি খৃষ্টানগী ঈশ্বরসু মহাকপুনি মহম্মদনগী খোদাসু মহাক্নি। প্রভু যিশু মশামক ঈশ্বরগী মচানি হায়না ঈশ্বরগী খুয়াদা চংজখিবনি, মতৌ অদুম খোদা প্রফেট মহম্মদসু অল্লাগী মনাইনি থল্লুনা মহাক্কী খোদা ইনথিবনি, হিন্দু শিংগীসু ঈশ্বর মহাকপু মরুপনি, মনাইনি মচানি খনবা লাইনিংনচিংবা

পাম্বৈরা জগৎ অমে লাম্নবা হোৎনবা ঙাক্লনি। ঐখোয়না ইরৈবাক ওইবগী মীয়াইকন্নবসু ঐখোয়গী মেলহৌডৈগী লৈয়ক-লবা মীহোয়েল, সভ্যতা সংস্কৃতি, ট্রেডিসন, কলচর ধর্ম্মগী ফিলোসোফি শুম্নমকসি মীগীদগীদি তাবা নৎতে। মণিপুরগী চীংতমগী কলচর মতাংদা ইবা তারবদা নিংথেম পুন্নিগী ঈশিংনা য়ুক ওইয়গা পিকপ্রবা তুলিনা কলম ওইরগা ইরবসু পুন্নি অসিগী ঈশিংদি কংবা নাইথিগনি, চীং তমগী কলচরনা অসুম মরৈহোর-গনি অসিগুম্বা অচৌবা অরুবা থৌরম অসিগীদমক পংলবা ঐনা মতম ঙাইহাক্তং তরাদগী কংজবসি ঐগী ওম্ষোক্লা লাইবক ফবা হায়বল্লনি। কন্নিসু নৈনজগ্রিবা ঐবু তরানা ঙাকপিগনি।

